सत्यमेव जयते

## নেশনেল এজুকেশন পোলিসি ড্রাফ্ট, ২০১৯
## (জাতিগী মহৈ-থৌশিলগী ড্রাফ্ট, ২০১৯)

# অশঙ্বা ৱারোল

## নেশনেল এজুকেশন পোলিসি ড্রাফ্টকী কমিটি (জাতিগী মহৈ-থৌশিল ড্রাফ্টকী কমিটি)

### চেয়রপর্সন

কে. কষ্টুরিরঙ্গন, ফোর্মর চেয়রমেন, ইসরো, বেঙ্গলুরু

### মেম্বরশিং

ক) ভসুধা কামত, ফোর্মর ভি.সি., এস.এন.ডি.টি. ৱুমেন্স য়ুনিভর্সিটি, মুম্বাই

খ) মঞ্জুল ভার্গভ, আর. ব্রেন্দন ফ্রেদ প্রোফেসর ওফ মেঠমেটিক্স, প্রিন্সটন য়ুনিভর্সিটি, য়ু.এস.এ.

গ) রাম শঙ্কর কুরেল, ফোর্মর ফাউন্দর ভি.সি., বাবা সাহেব অম্বেদকর য়ুনিভর্সিটি ওফ সোসিএল সাইন্সেস, মধ্য প্রদেশ

ঘ) টি.ভি. কট্টিমনি, ভি.সি., ইন্দিরা গান্ধি নেশনেল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি, অমরকন্তক, মধ্য প্রদেশ

ঙ) কৃষ্ণ মোহন ত্রিপাঠি, ডাইরেক্টর ওফ এজুকেশন (সেকেন্দরি) অমসুং ফোর্মর চেয়রপর্সন, উত্তর প্রদেশ হাই স্কূল অমসুং ইন্টরমেডিএট ইগজামিনেশন বোর্ড, উত্তর প্রদেশ

চ) মঝর অসিফ, প্রোফেসর, সেন্টর ফোর পর্সিয়ন এন্দ সেন্ট্রেল এসিয়ন ষ্টডিজ, স্কূল ওফ লেঙ্গুৱেজ, লিটরেচর এন্দ কলচর ষ্টডিজ, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, ন্যু দিল্লি

ছ) এম. কে. স্রিধর, ফোর্মর মেম্বর সেক্রেটরি, কর্নাটকা নোলেজ মিশন, বেঙ্গলুরু, কর্নাটকা

### সেক্রেটরি

ঞ) শকিলা টি. শামসু, ওফিসর ওন স্পেশল ড্যুটি (নেশনেল ইজুকেশন পেলিসি), ডিপার্টমেন্ট ওফ হাইয়র এজুকেশন, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমন রিসোর্স ডিভেলপমেন্ট, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দিল্লি

### ড্রাফ্টিং কমিটিগী মেম্বরশিং

ক) মঞ্জুল ভার্গভ, আর. ব্রেন্দন ফ্রেদ প্রোফেসর ওফ মেঠমেটিক্স, প্রিন্সটন য়ুনিভর্সিটি, য়ু.এস.এ.

খ) কে. রামাচন্দ্রন, এডভাইজর, নেশনেল ইন্সটিট্যুট ওফ এজুকেশনেল প্লানিং এন্দ এডমিনিষ্ট্রেশন, ন্যু দিল্লি

গ) অনুরাগ বেহার, সি.ই.ও. অজিম প্রেমজি ফাউন্দেশন এন্দ ভাইস চান্সেলর, অজিম প্রেমজি য়ুনিভর্সিটি, বেঙ্গলুরু

ঘ) লীনা চন্দ্রন ৱাডিয়া, ওবজর্বর রিসর্চ ফাউন্দেশন, মুম্বাই

# অশানবা মীৎয়েং

নেশনেল এজুকেশন পোলিসি ২০১৯ (জাতিগী মহৈ-থৌশিল ২০১৯)না ভারত্তা মপূং ওইবা মহৈগী কাঙলোন অমা পী অমসুং মসিনা মীপূম খূদিংমক্তা অথোইবা মহৈ ফংহন্দুনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু মান্নবা অমসুং মতীং লৈবা লৌশিংগী খুন্নাই অমা তুং কোইনগী ওইনা ওন্থোকই।

# থৌশিলগী চাউরাকপা ৱারোল – মরুওইবা ৱাফমশিং

## ১. স্কুল মহৈ (স্কুল এজুকেশন)

ক) পীক্লিবা অঙাংশিংদা পীরিবা মহৈ (অর্লি চাইল্ডহুদ এজুকেশন): থৌশিল অসিনা চহী নৌরিঙৈগী য়াম্না মরুওইবা মতমদু অখন্নবা লৌই অমসুং মসিনা ইং ২০২৫ ফাওবদা চহী ৩-৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং পুম্নমক্কী ওইনা অহেনবা শেলফম চাউনা থাদদুনা অমসুং অনৌবা থবক-থৌরমশিং পায়খৎপগা লোয়নননা পীক্লিবা অঙাংশিংবু চেকশিন্না শেন্নবীবা অমসুং মহৈ নীংথিজনা ফংহন্নবা মরুওইবা পান্দম থম্মী।

খ) মথোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক তম্বীবা (ফাউন্দেশনেল লিটরেসি অমসুং ন্যুমরেসি): ক্লাস ১-৫ দা মথোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক তম্বীনবা অখন্নবা পুক্নীং চঙগনি। থৌশিল অসিনা ইং ২০২৫ ফাওবদা ক্লাস ৫ অমসুং মথক্তা তম্বা মহৈরোয় থূদিংমকপু মথোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক শোয়দনা হৈহন্নবা পান্দম থম্মী।

গ) করিকুলম অমসুং পেদাগোজি (তম্ন-হীরম অমসুং তাকপী-তম্বীবগী পরিং-পথাপ): ৫ + ৩ + ৩ + ৪গী লাকশিন-শক্তম (ডিজাইন)দা য়ূম্ফম ওইরগা, অমসুং লৌশিং হেনগৎলক্লবা অমসুং তম্নবগী চুল্ল-পথাপশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা স্কুল মহৈ (স্কুল এজুকেশন)দা থাক নাইনা মথং মথং ফগৎলকপদা চূনগদবা অনৌবা করিকুলম (তম্ন-হীরম) অমসুং পেদাগোজি (তাকপী-তম্বীবগী পরিং-পথাপ)গী ওইবা শাবান অমা পুথোক্লে।

ঘ) মালেম পুম্বদা ফংহনবা (য়ুনিভর্সেল এক্সেস): ইং ২০৩০ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা পান্বৈশিংগী মতেংনা স্কুল মহৈ (স্কুল এজুকেশন)দা ১০০% গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও ফংহন্নবা থৌশিল অসিনা পান্দম থল্লি।

ঙ) চপ মান্নবা অমসুং পাক-শন্না খোনজিনবা/অশুপ্পা মহৈ (ইক্বিটেবল অমসুং ইনক্লুসিব এজুকেশন): পোকফম-চাফম নৎত্রগা হৌরকফম্না মরম ওইদুনা অঙাং অমত্তনা মহৈ তম্লগা থোইদোক-হেন্দোক্না হৈথোই-শিংথোইবা মীওই ওইরক্লবগী খূদোংচাবা অমত্তা নাম্থোকহন্দনবা থৌশিল অসিনা লেপ্পা লৈতনা থবক-থৌরম কয়া চেকশিন্না পায়খৎলে। মসিদা থোইদোক্না মরুওইবা অহেনবা মীৎয়েং চঙননবা মহৈগী ওইবা অখন্নবা মফম (জোন) শিংসু হৌদোক্লগনি।

চ) ওজাশিং: ওজাশিংবু অরোন-অথুপ লৈতবা, চেকশিনবা থৌরাংশিং পায়খৎলগা থবক হাপকনি; ফম কাহনবসি অথোই-অহেন য়েংলগা তৌগনি; মখোয়না তৌথোরকপা থবক্কী মতৌসি মওং কয়াদা মতম মতমগী ওইনা য়েংশিনগনি অমসুং মহৈগী থৌপাল্লোয় (এজুকেশনেল এডমিনিষ্ট্রেটর)শিং নৎত্রগা ওজাশিং শেমগৎপা ঙম্বা মীওইশিং (টিচর এজুকেটর্স) ওইরকপা ঙম্নবা মাঙলোমদা চঙশিনবগী লম্বীশিং ফংগনি।

ছ) স্কুলগী থবক-থৌরমশিং পান্নবা (স্কুল গভর্নান্স): পব্লিক স্কূল ১০-২০ মুক পূনশিল্লগা স্কুলশিংবু কাঙলূপ কাঙলূপ নাইহল্লগনি – মসিনা থবক-থৌরম পান্নবগী অমসুং শীনবগী তঙাইফদবা থূজিং ওইগনি। মসিনা থোইদোক্না অফ অফবা ওজাশিংগী কাঙবূগা লোয়নননা - ক্লাসরুমগুম্বা মচাক-মথুম, লাইব্রেরীগুম্বা লাইরিক-লাইশুগা মরী লৈনবশিং অমসুং আর্ট অমসুং ঈশৈ-নোংমাইগী ওজাশিংগুম্বা – চঙদবা য়াদবা মচাক পুম্নমক শোয়দনা ফংহনগনি।

জ) স্কুলশিংগী চৎনা-পথাপ: ৱাখল্লোন খেন্নবশিং লৈহন্দনবা স্কুলশিংগী চৎনা-পথাপ শেম্বা অমসুং মদুবু থবক্তা ওন্থোকপসি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা তৌগনি। থৌশিল য়াৎপা, পান্ন-খোৎনবা, থবক ওইনা ওন্থোকপা অমসুং লাইরিক-লাইশুগা মরী লৈনবা হীরমশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা অচুম্বা কাঙলোনশিং লৈগনি।

## ২. অৱাংবা থাক্কী মহৈ (হাইয়র এজুকেশন)

ক) অনৌবা আর্কিটেকচর: অচৌবা, খূদোংচাবা নীংথিনা লৈরবা অমসুং হীরম কয়া হাংলবা, মতীং থোকপা মহৈশঙশিং লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ (হাইয়র এজুকেশন)গীদমক অনৌবা মীৎয়েং অমসুং আর্কিটেকচর অমা লৈহন্নবা থল্লি। হৌজিক লৈরিবা তাইবংমহৈকোল ৮০০ অমসুং কলেজ ৪০,০০০বু খ্বাইদগী ফবা মহৈশঙ ১৫,০০০ রোমতমক ওইনা ওন্থোক্লবগী থবক পায়খৎলগনি।

খ) লিবরেল এজুকেশন (হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈ): সাইন্স, আর্টস, হ্যুমেনিটিজ, মেথমেটিক্স অমসুং মশিনগী (প্রোফেশনেল)গী লমশিংবু পূল্লপ পূনশিল্লগা হেন্না নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা আর্টস এজুকেশন (লিবরেল আর্টস এজুকেশন) অসি গ্রেজুয়েটকী থাক্তা চূন-চূনগদবা মফমশিংদা পীগনি। মসিদা ৱাখলনা শাগৎপা অমসুং শেমদোক-শেমজিন য়াবা তম্ন-হীরমগী শাবান (করিকুলর ষ্ট্রকচর)শিং, অনৌ অনৌবা কয়া শেমগৎ-শাগৎপা হৈনবা তমশিনবা, শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন) হাপশিনবা অমসুং মিং চনবা অমসুং তোকখিবা য়াবগী তাঙ্কক কয়া লৈগনি।

গ) থবক-থৌরমশিং পান্নবা (গভর্নান্স): মহৈশঙগী ওইবা থবক-থৌরমশিং পান্নবসি লাইরিক-লাইশুগী, থবক-থৌরম শীনবগী অমসুং শেল-থুম শীজিন্নবগী পীরিবা মঙম অদুদা য়ূম্ফম ওইগনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং পীরিবা মহৈশঙ খূদিংমক্কী থবক-থৌরমশিং অদুবু মনীংতম্বা লূপ অমনা পান্নগনি।

ঘ) চৎন-পথাপ: চৎন-পথাপ অসি ‘অরায়বদি ওইরগা চপচানা ইনগদবা’ ওইগনি অমসুং মসি শেলফম চুন্না শীজিন্নবা অমসুং অরোন-অথুপ লৈতবা – মতীং লৈবা - চৎনবী থাক ঙাকপা, শেলফম পীথবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী সর্টিফিকেট পীবগী থবক্তা তঙাইফদনা য়েংশিন্নবগীদমক্তনি; চৎন-পথাপ নাইহনবসি ৱাখল্লোন খেন্নবা লৈতনবা মনীং-তম্বা লূপশিংনা পাংথোক্কনি।

## ৩. ওজাগী মহৈ (টিচর এজুকেশন)

ওজা শেমগৎনবগী থৌরমশিং অসি লেপ্পা লৈতনা কন্না হোৎনগনি অমসুং মসি মতীং থোকপা, হীরম কয়ামুক হাংলিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ পীরিবা মহৈশঙশিংদা পাংথোক্কনি। হীরম কয়ামুক হাংলিবা মহৈশঙশিংদা থাক থাক নাইবা, অথন্নবা সবজেক্ট কয়াগী অপূনবা চহী-৪গী বেচলর্স ওফ এজুকেশন অসি ওজা ওইরক্লবগী মরুওইবা পাম্বৈ ওইগনি। চৎনবী থাক য়ৌদবা অমসুং মথৌ নীংথিনা তৌদ্রবা শোইরোল্লবা মহৈগী মহৈশঙশিংদি থিংজিনগনি।

## ৪. মশিনগী মহৈ (প্রোফেশনেল এজুকেশন)

মশিনগী মহৈ (প্রোফেশনেল এজুকেশন) পূম্নমক হাইয়র এজুকেশন সিষ্টেম (অৱাংবা থাক্কী মহৈগী কাঙলোন) অদুদা য়াওরবা মরুওইবা শরুক অমা ওইগনি। মরোমদোম লৈজবা শিনশু তাইবংমহৈকোল (টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি)শিং, হকশেল কাঙলোনগী তাইবংমহৈকোল (হেল্থ সাইন্স য়ুনিভর্সিটি)শিং, আইন অমসুং লৌউ-শিংউগী তাইবংমহৈকোল (এগ্রিকচরেল য়ুনিভর্সিটি)শিং, নৎত্রগা মথক্কীসিগী নৎত্রগা অতোপ্পা লমশিংগী/হীরমশিংগী ওইবা মহৈশঙশিংদি মথা তানা লৈহল্লরোই।

## ৫. শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন)

মসিনা মহৈ-মশিং পূন্নমক্তা য়াওরবা মরুওইবা শরুক অমা ওইগনি – ইং ২০২৫ ফাওবদা মহৈরোয় পূন্নমক্কী মনুংদগী য়ামদ্রবদা ৫০%দি শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন) ফংহন্নবা থৌশিল অসিনা পান্দম থম্মী।

## ৬. জাতিগী থিজিন-হুমজিনবগী ফাউন্দেশন (নেশনেল রিসর্চ ফাউন্দেশন)

লৈবাক শীন্থুংনা থিজিন-হুমজিনবগী অমসুং অনৌ অনৌবা পোৎ পুথোকপগী থবক্তা য়াঙথৎনবা অমসুং পাক-শন্না তৌননবা অনৌবা মওং অমা হৌদোক্লগনি।

## ৭. মহৈদা শিনশু য়াওহনবা (টেক্নোনোজি ইন এজুকেশন)

থৌশিল অসিনা শিনশু (টেক্নোনোজি)বু মহৈ-মশিংগী থাক পূন্নমক্তা চূননা পূনশিন্নবা পান্দম থম্মী; মসি ক্লাসরুমগা মরী লৈনবা থবক-থৌরমশিং ফগৎহন্নবা, ওজাগী শিনফম ফগৎহনবদা তেংবাঙ ওইনবা, খূদোংচাবা ইফং ফংদবা শোত্থরবা কাঙলূপশিংবু মহৈ-মশিং নীংথিনা তম্বা ফংহন্নবা তৌবগা লোয়ন-লোয়ননা মহৈ-মশিংগী থৌরম য়াথোকপা, থবক-থৌরম পান্নবা (গভর্নান্স) অমসুং শীল্লাংবগী থবক্তা পরম পীনবা তৌবনি।

## ৮. অহলগী মহৈ (এডল্ট এজুকেশন)

থৌশিল অসিনা ইং ২০৩০ ফাওবদা নহা অমসুং অহলশিংবু ১০০% ইবা-পাবা ঙমহন্নবা পান্দম থম্মী।

## ৯. ভারতকী লোলশিং থাক ৱাংথৎহনবা

থৌশিল অসিনা ভারতকী লোল পূন্নমকপু ঙাক-শেন্নবা, চাওখৎহন্নবা, অমসুং হিংহন্নবা শোয়দনমক্কী তৌগনি।

## ১০. মহৈদা শেল-থুম থাদবা (ফাইনান্সিং এজুকেশন)

মীপুম খূদিংমক্তা মহৈ-মশিংগী খূদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবা অমসুং মতীং লৈহন্নবা অথন্ননা মীয়ামগীদমক্তা থাদরকপা শেন্থং চাউনা লৈগনি।

## ১১. রাষ্ট্রিয় শিক্ষা আয়োগ

রাষ্ট্রিয় শিক্ষা আয়োগ নৎত্রগা নেশনেল এজুকেশন কমিশন অসি প্রধান মন্ত্রিনা লূচিংলগা শেমগনি – মসিনা ভারতকী ওইবা মহৈ-মশিংগী অশানবা মীৎয়েংবু য়েংশিনগনি।

# থৌশিলগী অকূপ্পা ৱারোলশিং – মরুওইবা ৱাফমশিং

# স্কুল মহৈ (স্কুল এজুকেশন)

## ১.পীক্লিবা অঙাংশিংবু শেন্নবীবা অমসুং মহৈ ফংহনবগী থবক কনখৎহনবা

**পান্দমঃ** ইং ২০২৫ ফাওবদা মশাগী চহী ৩-৬কী মনুংদা লৈবা অঙাং খূদিংমক শেল তিংদনা, তেক্ত-কায়দনা, নীংথিজনা ফগৎলকপা য়াবা মওংদা চেকশিন্না শেন্ন-খোৎনবীবা অমসুং মহৈ ফংহন্নবা হোৎনগনি।

থৌশিল অসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু মহৈ ফংহন্নবগী য়াম্নমক তঙাইফদনা মরুওইবা অমসুং মীওই অমগী তুংগী পূন্সিদা মদুগী কান্নবশিং লৈবদু মরুওইনা তাকই।

ক) পীক্লিবা অঙাংশিংদা মহৈ ফংহন্নবগী পীরিবা **খূদোংচাবশিং য়াম্নমক হেনগৎহনবা অমসুং মঙম লৈহনবসি** লম লমদুগী তঙাইফদবশিং, লম্মীৎ-তুম্মিৎলোন অমসুং হান্নগী লৈরিবা মচাক-মথুম্দা তোঙান তোঙানবা থেংখাং কয়ারোমদা চঙশিনবনা ওইথোক্কনি।

খ) খুন্নাই-শেন্মীৎলোন্দা মরুওইনা শোত্থরবা ডিষ্ট্রিকশিং/মফমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি অমসুং অহান-অকোন য়েংগনি। মদুগী থবক খুত্তৌ অমসুং মহয়শিংদু চাননা য়েংশিন্নবা থৌরমশিং হৌদোক্কনি।

গ) পীক্লিবা অঙাংশিংদা মহৈ ফংহন্নবগী শেল্লিবা করিকুলম অমসুং পেদাগোজিকেল ফ্রেমৱর্ক ((তম্ন-হীরম অমসুং  তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপগী উচন) অসি অতম্নবা  তাকপী-তম্বীরোয় (এজুকেটর)শিং অমসুং মমা-মপাশিংগী ওইনা য়েংলগা শেমগনি। উচন অসিদা মশাগী চহী ০-৩ শুরবা অঙাংশিংগী মবুদ্ধি–মরৌশিং মরুওইনা ফগৎহন্ননবা লমজীং-পথাপশিং অমসুং চহী ৩-৮ শুরবা অঙাংশিংগী মহৈগী ওইবা লমজীং-পথাপশিং য়াওগনি।

ঘ) পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংগী ওইনা তম্বদা নুংঙাইগদবা মওংদা স্কুলগী অকোয়বগী ফিভমশিং শেমগনি অমসুং অফ-অফবা তাকপী-তম্বীরোয়শিং (এজুকেটরশিং)বু শিনফমদা চঙহনবা য়াননবা তৌগনি। মসি মতাং মতাংগী ওইনা তঙাইফদ্রবা ট্রেনিং পীবা, পাউতাক পীবগা লোয়ননা শেম্বী-শাবীবা অমসুং শিনফমদা লেপ্লনা চাওখৎচনবগী খূদোংচাবশিং ফংহনবা অমদি  মশা মশাগী মশিন লেপচবা (কেরিয়র মেপিং)গী মতেংনা তৌগনি।

ঙ) পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা হীরম খূদিংমক **মিনিষ্ট্রি ওফ এজুকেশন** (হৌজিক লৈরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যমেন রিসোর্স ডিভেলপমেন্ট অসিগী নৌনা থোনগদবা মিং)গী মখাদা লাক্কনি, অমসুং মসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংবু স্কুলদা পীরিবা মহৈগী শরুক অতৈগা নীংথিজনা মরী লৈনহনগনি – ইং ২০১৯ ফাওবদা এজুকেশন, ৱুইমেন এন্দ চাইল্ড ডিভেলপমেন্ট, অমসুং হেল্ফ অমসুং ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিশিংনা অহোংবা পুরক্লবগী থৌরাং অমা পূন্না লৌগনি।

চ) প্রি-স্কুল এজুকেশন (লন্নাই, মীয়াম অমসুং খ্বাই পূন্নমক্কী য়াইফনবা) পূন্নমক কোনশিন্নবা নীংথিজনা **থাক ৱাংবা চৎনবা-পথাপ নৎত্রগা অৱাংবা থাক্কী সর্টিফিকেট পীনবা কাঙলোন** অমা শোয়দনমক্কী চৎনহন্নবা শেম্লগনি।

ছ) পাউতাক কয়া ফংবা অমসুং পাকশন্না পাউ শন্দোকখিবনা **শরুক য়ারিবশিংদগী অপাম্বা** কয়া তাল্লক্কনি অমসুং মসিনা মমা-মপা ওইবশিংবু মচাশিংনা তম্বদা চঙদবা য়াদ্রবা মচাকশিং অদুবু মপূং ফানা শৌগৎপা ঙমহনগনি।

জ) **রাইট টু এজুকেশন এক্ট ২০০৯** অসি চহী ৩-৬ শুরবা অঙাং পূন্নমক্তা শেল তিংদনা লেন্না অমসুং তঙাইফদনা অফবা মহৈ শোয়দনা ফংহন্নবা শাংদোক্কনি।

## ২. অঙাং পূম্নমক মখোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক শোয়দনা হৈহনবা

**পান্দমঃ** ইং ২০২৫ ফাওবদা, ক্লাস ৫ অমসুং মথক্কী মহৈরোয় খূদিংমক মখোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক শোয়দনা হৈহনগনি।

মখোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক তমশিনবদা থেংনগদবা খূদোংচাদবা কয়াদু থৌশিল অসিনা থঙদোক্কনি অমসুং মদুদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা  মীৎয়েং  থমগনি।

ক) মচী ওইবা চীঙ্গাক চাবা অমসুং মহৈ-মশিং তম্বা অনীসি অমগা অমগা থাদোক্কবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। **নুংথিল চরা**গী থৌরম (মিড-দে মিল প্রোগ্রাম) অসি **পাকথোক-চাউথোক্লগনি** – মচী ওইবা অয়ুক্কী চরা ৱানবা অমসুং নুমিৎ য়ুংবগী চরা অসি প্রি-প্রাইমরী অমসুং প্রাইমরী স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা পীজগনি। অফবা চীঙ্গাক পীজবা ঙমহন্নবগীদমক থৌরম অসিগী চঙগদবা শেলফমদু চান-থক্লবগী মমল অমসুং মমল হেনগৎলকপগা মরী লৈনহনগনি।

খ) **ক্লাস ১-৫দা মখোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক হৈহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং** থমগনি অমসুং মসিগা লোয়ননা অহৈ-হৈত চূননা লেপ্পবগী অহকপা থৌওং অমসুং অফ-অফবা তম্ন-মচাকশিং ফংহনগনি। নেশনেল টিচর্স পোর্টেলদা লোল অমসুং অঙ্কগী রিসোর্সশিংগী ওইবা জাতিগী লণথৈ (নেশনেল রিপোজিতরি) অমা ফংগনি।

গ) শিনশুগী পোৎলমশিংবু ওজাশিংগী তেংবাঙপোৎ ওইনা হান্না পীগনি। মসিগা লোয়ননা লাইরিক পাবা অমসুং ৱাখল্লোন পীথোক-পীশিনগী হৈনবী লৈহন্নবা মীয়ামগী অমসুং স্কুলগী লৈরিবা লাইব্রেরীশিংবু পাকথোক-চাউথোকহনগনি।

ঘ) ক্লাস ১গী মহৈরোয় পূম্নমক থা-অহুমগী **স্কুল প্রিপরেশন মোড্যুল** অমা তমগনি।

ঙ) মখোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক হৈহনবগী থবক্তা নৌনা অহেনবা মীৎয়েং থম্নবা **ওজাশিংদা মহৈ পীবগী থবক** অসি **নৌহৌননা শেমদোক্কনি**।

চ) **নেশনেল ট্যুটর্স প্রোগ্রাম** (ফম মান্নবা ট্যুটরশিং য়াওবা) অমসুং **রিমিডিএল ইন্সট্রক্সনেল এইডস প্রোগ্রাম** (ফুরুপ অদুগী ইন্সট্রক্তরশিং থনবা) হৌদোক্লগনি।

ছ) **মহৈরোয়-ওজাগী রেশিও** অসি স্কুল খূদিংমক্তা ৩০:১গী মনুংদা শোয়দনা লৈহনগদবনি।

জ) **সোসিএল ৱার্করশিং অমসুং কাউন্সিল্লর**শিংনা অঙাং পূন্নমকপু স্কুলদগী তোকহন্দনা থম্বা, পূক্নীং-হকচাংগী ফিভম ফনা থম্বা, **মমা-মপা ওইবশিং**বু শরুক য়াহনবা অমসুং **লৈকায় লৈকায়গী মীওইশিং** থোমজিনবদা শোয়দনা মতেং পাংগনি; মসিগা ইরোয়ননা মখোংদগী হৌরক্লগা লোল অমসুং অঙ্ক হৈহনবগা মরী লৈনবা থৌশিলগী পান্দমশিং ফংব্রা য়েংহন্নবগী থবক্তু **চেল্লি-চোংলিবা মীওই (ভোলুন্টিয়র) শিং**দা শোয়দনা শিন্নগনি।

## ৩. মালেম শিন্নুংনা থাক পূম্বগী মহৈ শুংশোয় শোয়দনা ফংহনবা অমসুং তুং কোইহনবা

**পান্দমঃ** ইং ২০৩০ ফাওবদা মশাগী চহী ৩-১৮গী মনুংদা লৈবা অঙাং পূম্নমক শেল তিংদনা অমসুং তঙাইফদনা অফবা মহৈবু স্কুলদা ফংহনবা অমসুং শরুক য়াহনবা।

মিং য়াম্না চনবা তারগসু, অঙাংশিংবু স্কুল থাদোকহন্দনবা হোৎনবদা ঐখোয়না ঙমদবা অদুগীদমক থৌশিল অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকই।

ক) ইং ২০৩০ ফাওবদা প্রি-স্কুলদগী সেকেন্দরি স্কুল ফাওবদা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং লৌখৎলগা **অপূনবা মিং চনবগী রেশিও অসি ১০০% ওইহন্নবা** তৌগনি।

খ) **অৱাৎপা লৈবশিং মেনখৎপা** অসি চখোক-চৎশিন অমসুং হোষ্টেলগী খূদোংচাবশিং ফংহন্দুনা হান্নগী লৈরিবা স্কুলশিংদা মহৈরোয় মশীং হেনগৎহনবা, খূদোংচাবা ৱাৎনা ফংবা/শুকফং ফংদবা মফমশিংদা অনৌ-অনৌবা খূদোংচাবশিং ফংহনবা অমসুং স্কুলশিংবু চপমান্নবা মওংদা য়েংলগা কোকহনবা ঙমগনি অমসুং মসিনা মহৈরোয় পূম্নমক্কী তেক্ত-কায়দনবা হোৎনবদা নুপীমচাশিংগীসু অখন্নবা মীৎয়েং শোয়দনমক্কী থমগনি।

গ) **অঙাং পূম্নমকপু শরুক য়াহনবগা লোয়ননা মহৈ-মশিং** শোয়দনা ফংহনগনি; মসি মিং চল্লবা অঙাংশিংনা স্কুল কারকপা-কারক্তবগী অমসুং অহৈ-হৈতগী থোঙ্গুল লীবা, ওজাশিং, সোসিএল ৱার্করশিং অমসুং পাউতাক্লোয়শিংনা লাইরিক তম্বা তোকখোল্লবা অমসুং স্কুলদা শুক্তম তমদবা অঙাংশিংবু থোঙ্গুল লীবা, অমসুং মতম শাংনা স্কুল শুক্তম তমদবা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংগীদমক্তা অখন্ননা শীনবা থৌরমশিংগী মতেংনা ফংহনগনি। পথাপ ইনবা অমসুং পথাপ ইন্দবা (ফোর্মেল অমসুং নন-ফোর্মেল) মখলশিং য়াওনা লাইরিক তম্বগী মওং কয়াসি ওপন অমসুং ডিষ্টেন্স স্কুলিং অমসুং শিনশু (টেক্নোলোজি) প্লেটফোর্মশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লগা ফংগনি।

ঘ) মশা ঙমদদুনা স্কুল কারক্তবা মহৈরোয়শিং য়াওবা তারগদি, **হেক য়ারিবমথৈ থুনা মখোয়দু স্কুল কারকপা ঙমহন্নবা** উপাইশিংগী মনুংদা স্কুলদা হকশেলগী শিন্মীশিং নেকপা, মহৈরোয়শিং, মমা-মপা ওইবশিং অমসুং থ্বাই মীয়ামগী মরক্তা চেকশিন-থৌরাংগী লৌশিং পীবা, অমসুং মখোয়দা চূনগদবা হেল্থ সর্ভিসশিংগা শন্নহনবসিনি।

ঙ) **রাইট টু এজুকেশন এক্টকী** তঙাইফদবশিংদু **থরদমক ওইনা লাকশিনহনগনি**; অদুম্মক ওইদুনসু নাদ-য়েক্তনবা (হকচাংগী অমসুং পূক্নীং-ৱাখলগী), মহৈ তম্বা ফংহন্নবা অমসুং শরুক য়াহন্নবা, স্কুলশিংগী শেন্দোং

তান্দবা মওং, অমসুং খ্বাইদগী চাং তানা লেপ্লবা মহৈগী থাক্তু য়ৌহন্নবা শোয়দনমক্কী হোৎনগনি। লম লমগী থেন্নবশিং অমসুং মহৈ তম্বগী অতৈ অতোপ্পা মওং-মতৌশিং লৈবা তারগসু মসিনা অয়াবদি পীগনি। মসিনা লৈঙাক্কী অমসুং লৈঙাক্কী নত্তবা লূপশিংনা স্কুল লিংখৎপদা হেন্না লায়থোকহল্লি।

চ) **রাইট টু এজুকেশন এক্ট** অসি প্রি-স্কুলদগী ক্লাস ১২ ফাওবা শেল তিংদনা লেপ্পা অমসুং তঙাইফদনা মহৈ-মশিং শুংশোয় শোয়দনা ফংহন্নবা **পাকথোক-চাউথোক্লগনি।**

## ৪. স্কুল মহৈ (স্কুল এজুকেশন)গী অনৌবা তম্ন-হীরম অমসুং তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপকী শাবান (করিকুলম অমসুং পেদাগোজিকেল ষ্ট্রকচর)

**পান্দমঃ** ইং ২০২২ ফাওবদা তম্ন-হীরম অমসুং তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপ (করিকুলম অমসুং পেদাগোজি) অসি হোংদোক্কনি। মসিনা চিনফা পুবা হন্থহন্দুনা মমূৎ তানা নীংথিজনা খঙহন-হৈহনবদা পুক্নীং থৌগৎপগা লোয়ননা লুথনা খন্থবা ঙম্বা, অনৌ অনৌবা পুথোকপা ঙম্বা, সাইন্সকী গুন চেনবা, ৱাখল্লোন পীথোক-পীশিন তৌনবা, থবক পায়খৎমিন্নবা, লোল ময়াম লৈবা, অপন-অরাক লৈহন্দবা, হৌন-শাজৎ খঙবা, খুন্নাইদা মশাগী থৌদাং খঙবা, অমসুং ডিজিটেল লিটরেসিনচিংবা ২১শুবা চহী চাগী হৈজ-শিংবশিংদা পুক্নীং থৌগৎনবা তৌগনি।

স্কুল মহৈগী তম্ন-হীরম অমসুং তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপগী শাবান (করিকুলম অমসুং পেদাগোজিকেল ষ্ট্রকচর) অসি মহৈরোয়শিং ফগৎলক্কবগী তোঙান তোঙানবা থাকশিংদা মথোয়গী তঙাইফদবশিং অমসুং অপাম্বশিং থুংহন্নবগী থৌদাং য়ানবা অমসুং মরী লৈনহন্নবা অমুক হন্না শেমদোক্কনি।

ক) স্কুল মহৈগী তম্ন-হীরম অমসুং তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপগী শাবান (করিকুলম অমসুং পেদাগোজিকেল ষ্ট্রকচর) অমসুং তম্ন-হীরমগী উচন (করিকুলম ফ্রেমৱর্ক) অসি **৫+৩+৩+৪গী লাকশিন-শক্তম (ডিজাইন)** অমনা লমজীং-লমতাক্কনি:

- মখোংগী থাক (চহী ৩-৮ শুরবশিং) (ফাউন্দেশনেল ষ্টেজ): য়াম্না থুনা ৱাখল-লৌশিং লৈহনবা; শান্ন-খোৎনবা অমসুং মতীং লৈনা অনৌ-অনৌবা পুথোকপদা য়ূম্ফম ওইরগা তম্বা।
- শেম-শাবগী থাক (চহী ৮-১১ শুরবশিং) (প্রিপরেটরি ষ্টেজ): শান্ন-শান্ননা অনৌ-অনৌবা পোৎ শেম-শাবা তম্বা অমসুং অনৌ-অনৌবা লৌশিং লাকপা; মথং-মনাও তমশিনবরোমদা হোংলকপা মশক।
- মরক্কী থাক (চহী ১১-১৪ শুরবশিং) (মিডল ষ্টেজ): সবজেক্টকী নুংলোন (কন্সেপ্ট)শিং তমশিনবা; মশা ঈনখৎলকপরোমগী লম্বী য়াৎপা হৌবা।
- সেকেন্দরি ষ্টেজ (চহী ১৪-১৮ শুরবশিং): হিংবগী পাম্বৈ থিবা ঙম্নবগী অমসুং সেকেন্দরি ষ্টেজগী মহৈ ফংনবগী শেম-শাবা; মপূং-মরৈ ফাগৎলকপা মতাং।

খ) সেকেন্দরি ষ্টেজসিদা চহী মরি চঙনা হীরম ময়াম তম্বা য়াগনি; মসিদা মহৈরোয়না অপাম্বা খন্দোক-খঞ্জিন য়াহনবগা লোয়ননা হীরম (সবজেক্ট) মমূৎ তানা খঙহন্নবা, নৈনবা ঙমহন্নবা, অমসুং পূন্সিগী অনীংবা-অপাম্বশিংদা পুক্নীং চিংশিনবা ঙমহন্নবা তৌগনি।

গ) স্কুলদা পীরিবা মহৈগী মচাক অমসুং থৌওংদু নীংথিজনা হীরম তূনা খঙলবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবগী মায়কৈরোমদা অমুক নৌহৌননা হোংদোক্কগনি। **তম্নপ-হীরম (করিকুলম)গী পোৎলূম** অদু মরুওইবা নুংলোন (কন্সেপ্ট)শিং অমসুং তঙাইফদবা ৱাখল্লোনশিংদা হন্থগনি; মসিনা হেন্না মনুং থীৎনা অমসুং থবক্কা লোয়ননা হেন্না তমশিনবা য়াহনগনি।

ঘ) মহৈরোয় পূম্নমক লোলগী হৈ-শিংবা, সাইন্সকী মগুন চেনবা, এস্থেটিক্স অমসুং আর্ট খঙবা, ৱাখল্লোন পীথোক-পীশিন তৌবা, মরম খঙদোক্লবগী লৌশিং চুম্না শীজিন্নবা, ডিজিটেল লিটরেসি, ভারতকী মরমদা খঙবা অমসুং লম লমদুগী মীয়াম্না, লৈবাক্কা, অমসুং মালেম্না থেংনরিবা মরুওইবা খূদোংচাদবশিং অদু খঙবা হেনগৎহন্নবা পূক্নীং থৌগৎকনি।

ঙ) তম্নপ-হীরম (করিকুলম), মরী লৈনবা তম্নপ-হীরম (কো-করিকুলম) নৎত্রগা অহেনবা তম্নপ-হীরম (এক্সট্রা-করিকুলম)গী হীরমশিংদা নৎত্রগা আর্টস অমসুং সাইন্সেস, অমসুং ‘শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন)’ অমসুং ‘লাইরিক-লাইশু’গী লমশিংদা অদুক হাক্লা শেত্তোক-খাইদোক্লবা তৌদনা **শেমদোক-শেমজিন য়াবা তম্নপ-হীরম (করিকুলম)** অমা শেমগনি। মসিনা সেকেন্দরি স্কুলগী থাক্তা মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না সবজেক্টশিং হোংবা য়াহনগনি।

চ) মহৈ-মশিংসি য়ামদ্রবদা ক্লাস ৫ ফাওবা, অদুবু হেন্না পাম্বদি ক্লাস ৮ ফাওবা **লম লমদুগী মরুওইনা ঙাঙনরিবা লোল/মমারোলদা** ফংহনগনি, অমসুং তঙাইফদবা মফমদা, লোলগী শেমদোক-শেমজিন য়ানবা (লোল অনীগী ওইবা - বাইলিঙ্গ্বেল) খোঙজং অমা লৈগনি।

ছ) থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা মপী লাইরিকশিংবু লম লমদুগী লোলশিংদা তঙাইফদবগী মতুংইন্না য়ারগদি ফংহনগনি, অমসুং শোইনাইরবা মহৈরোয়শিংগী তম্নবা লাইরিকশিংসু অথন্নবা পুথোক্কনি।

জ) **লোল-অহুমগী শুপ্তাকৱা (থ্রি-লেঙ্গ্বেজ ফোর্মুলা)** অসি লৈবাক শীন্থুংনা মায়পাক্লা থবক্তা ওন্থোক্কনি; লোলগী ওজাশিং শেমগৎনবা অমসুং মখোয়বু থবক হাপ্পনবা অথন্নবা পোরমশিং য়াৎকনি।

ঝ) ক্লাস ৬-৮ ফাওবদা ভোকেশনেল স্কিল্স অমসুং ক্রাফ্টসতা চহী অমগী সর্ভে কোর্স হৌদোক্লগা মহৈরোয় পূম্নমক পীক্লিঙৈদগী **শিন্নাই (ভোকেশনেল)গী** মরমদা খঙহনবা হৌগনি। ক্লাস ৯-১২ ফাওবদনা, অঙাংশিংনা অহেনবা একাডেমিক কোর্সশিংগা লোয়ননা ভোকেশনেল কোর্সশিং তম্বা ফংগনি অমসুং মসিদা মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগা চানগদবশিংদু খল্লগা পূনশিনবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংগনি।

ঞ) **জাতিগী তম্নপ-হীরম উচন (নেশনেল করিকুলম ফ্রেমৱর্ক)** অসি ইং ২০২০গী লোইশিল্লকপদা হেন্না ফগৎনবা নৌহৌননা অমুক শেমদোক্কনি অমসুং মদু লম লমদুগী লোল পূম্নমক্তা ফংহনগনি। অনৌ অনৌবা

**মপী লাইব্রিকশিং** পুথোক্কনি অমসুং নীংথিনা মগুন লৈনা পায়খৎলবা **লোল-হন্দোকপগী থবকশিং** তৌগনি।

ট) মহৈরোয়শিংনা ফগৎলকপদা তেংবাঙ ওইনবা **অহৈ-হৈত ওনবগী থবক-থৌওংদু** হোংদোক্কনি। চাংয়েং পূন্নমক (বোর্ডনা লৌবা চাংয়েং য়াওনা) মহৈরোয়শিংগী হেন্না ৱাংবা তৌবা ঙম্বা মঙমশিং য়েংবগা লোয়ননা মরুওইবা নুংলোন (কন্সেপ্ট)শিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী হৈজ-শিংজবদু য়েংগনি। ইং ২০২৫ ফাওবদা, মিডল স্কুল অমসুং মথক্কী থাক্তা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী অহৈ-হৈত য়েংবসি মতাং-মতাংগী চানহনবা য়াবা কম্প্যুটরগী মতেং লৌরবা চাংয়েং অমনা পাংথোক্কনি। ইং ২০২০/২০২১দগী হৌরগা, ওটোনোমস নেশনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা এপ্টিচুড টেষ্টশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী অথন্নবা চাংয়েংশিং পাংথোক্কনি অমদি মসি চহী অমদা তাঙ্কক কয়া থোক্লা লৌগনি।

ঠ) স্কুলদগী হৌরগা ডিষ্ট্রিক্টকী থাক ফাওবদা লৈবা অকক্লবা হীরমদা মীৎয়েং থম্বা অমসুং প্রোজেক্টতা য়ুম্ফম্নরবা ক্লবশিং, রেসিদেন্সিএল সমর থৌরমশিং, অমসুং ওলিম্পিয়াডশিং অমসুং অথোই-অহেন তান্নবা থৌরমশিং অসি পাংথোক্লগা **থোইদোক-হেন্দোক্লা মশাগী হৈথোই-শিংথোইরবা অঙাংশিং** অমদি মথোয়  মথোয়গী **অপাম্বশিংদু** খঙদোক্কনি অদুগা য়োকখৎকনি।

## ৫. ওজাশিং – অহোংবগী মৈরারোয়শিং

**পান্দমঃ** স্কুল মহৈ (স্কুল এজুকেশন)গী থাক খূদিংমক্তা তম্লিবা মহৈরোয় পূন্নমকপু মীনুংশি লৈবা, মহৈরোয়শিংবু থৱায় য়াওহনবা ঙম্বা, মতীক চারবা, শিনফমগা চূনবা ট্রেনিং ফংলবা অমসুং নীংথিজনা থঙ-হৈরবা ওজাশিংনা শোয়দনা তাকপী-তম্বীহনগনি।

থৌশিল অসিনা ওজাশিংবু 'ঐথোয়গী থুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা মীওইশিং অমসুং অহোংবগী মৈরারোয়শিং' ওইনা উহল্লি। খ্বাইদগী ফবা মহৈ ফংহন্নবগী থবক্তা মায়পাকপা ওইরকপসি ওজা ওইরিবশিং অদুনা চেল্লিবা মগুনশিংগী মথা পোল্লি।

ক) খূদোংচাবশিং ৱাৎনা ফংবা, খুঙ্গং নৎত্রগা ট্রাইবেলশিংনা খুন্দা-লৈতাবা মফমশিংদগী লাকপা খ্বাইদগী ফবা মহৈরোয়শিংবু চহী-৪গী অপূনবা (ইন্টিগ্রেটেড) বি.এড. প্রোগ্রাম অসিদা তম্বা ফংহন্নবা **অথোই-অহেন (মেরিট)গী স্কোলরশিপশিং** পীননবা তৌগনি। মতাং থরদদি, থবক্কী খূদোংচাবসি মথোয় মথোয়গী লৈকায় অদুমক্তদা শোয়দনা পীগনি। মরুওইনা নুপীমচা মহৈরোয়শিংবু অথন্ননা লৌগনি।

খ) **ওজাশিংবু থবক হাপ্পা** অসি স্কুল খুদিংমক্তা কমপ্রেহেন্সিব টিচর রিক্রাইয়রমেন্ট প্লানিংদা য়ুম্ফম ওইরগা, লৈকায় লৈকায়দুগী ওজাশিং অমসুং লম লমদুগী লোল নীংথিজনা থঙবা ওজাশিংদা হেন্না খূদোংচাবা পীরগা য়াম্না চেকশিনবা মওংদা হাপ্পবা তৌগনি, অদুম্নদি ওইরগা খেন্নবদি শোয়দনদি লৈহনগনি। অহানবগী ওইনা লৌখৎকদবা খোঙথাংদি নৌহৌননা শেমদোক্লবা ওজা ওইবা য়ানবগী চাংয়েং (টিচর ইলিজিবিলিটি টেষ্ট) অমা পাংথোকপগা লোয়ননা ইন্টরভিয়ু লৌগনি অমসুং তাকপী-তম্বীবগী চাংয়েং উৎপা (টিচিং ডিমন্সট্রেশন) য়াহনগনি। ওজাশিংবু, হৌজিক ষ্টেট কয়াদা তৌনবগুম্না, মাগী মাগী ডিষ্ট্রিক্ট অদুদা থবক হাপকনি অমসুং স্কুল থরগী অপূনবা কাঙলূপ (স্কুল কমপ্লেক্স) অমদা থবক তৌননবা থনগনি; অরোন-অথুপ লৈতনা শিনশু (টেক্নোলোজি)দা য়ুম্ফম ওইবা কাঙলোন অমগী মতেংনা ওজাশিংগী ট্রান্সফর (অমদগী অমদা থাদোকপা) তৌবগী চৎন-পথাপ অমসুং অকক্লবা মতম শুংশোয় শোয়দনা থমগনি। খুঙ্গংগী শোয়থরবা লমদমশিংদা তাকপী-তম্বীবগী থবক্তা পূক্নীং থৌগৎনবগী ওইনা মথোয়দা শেনফমসু পীগনি।

গ) '**পেরা-টিচর্স**' (মহৈ মতীক চাদবা, কন্ট্রেক্তা লৌবা ওজাশিং)বু শীজিন্নবগী চৎনবী অসি লৈবাক শীন্থুংনা ইং ২০২২ ফাওবদা লৈহল্লরোই।

ঘ) **ওজাগী লেপ্পা লৈতবা শিনফমগী চাওখৎ-থৌরাংসি** মতম মতমগী শিন্দোক-শিনজিন য়াবা অমদি শেমদোক-শাদোক্তুনা চঙশিনবা খোঙজং (মোড্যুলর এপ্রোচ )দা য়ুম্ফম ওইদুনা, ওজাশিং অসিনা করি তম্বা পাল্লিবা অমদি করি তম্নিংলিবা হায়বগী মতাংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেমগনি। নৌনা চঙলক্লিবা ওজাশিংবু পূক্নীং

চিংশিনগনি অমদি য়েংশিনবগী থবক লৌথৎকনি। ওজা খূদিংমক শিনফমগী চাওখৎ-লম্বীদা চৎপা ঙমহন্নবা অমদি অপাম-অপাম্বা মশিন্দা য়ূম্ফম্নরগা চাওখৎপা (চোইস-বেজ প্রোফেসনেল ডিভেলপমেন্ট) পুরকপা ঙমহন্নবগীদমক্তা ষ্টেটনা শিনশুদা য়ূম্ফম ওইবা কাঙলোন (টেক্নোলোজি বেজ সিষ্টেম) হৌদোক্কদবনি। তম্নহীরম (করিকুলম)দা অকক্পবা হীরম অমদা চপ য়ুংনা লেপ্পা, মথং-মনাও নাইবা মওং (কাস্কেদ-মোডেল) অমদি শিন্দোক-শিনজিন য়াদবা লাকশিন-শক্তমশিং লৈহল্লোইদবনি। মসিগী থৌরমশিং অসিবু পাংথোক্কদৌরিবা মীওইশিং অসি খনবদা য়াম্না চেকশিনগদবনি, মতীক চানা শীল্লম-শিন্তাক্কনি অমদি মসি পাংথোকপগী মতম লৈগনি।

ঙ) **ওজাগী থৌ মপূংফানা পাংথোকপা ঙমহন্নবগীদমক্তা** মতীক চাবা মচাক-মথুম, খূদোংচাবা অমদি তম্নবগী পাম্বৈশিং, মহৈরোয়-ওজাগী চান্নবা রেশিও লৈহনগদবনি। মহৈরোয় খূদিংমক তম্বা ফংহন্নবা খোঙথাং খূদিংমক্তা ওজাশিংবু তেংবাঙনবগীদমক্তা অৰাৎপা  মেনখৎ-থৌরমশিং হৌদোক্কদবনি।

চ) তাকপী-তম্বীবগী থবক নত্তবশিংনা (খূদম ওইনা, নুংথিলগী চরা (মিড ডে মিল) থোংবা, স্কুলগী অৰাৎ-অপা লৌথোক-লৌশিন অসিনচিংবা থবক) ওজা খূদিংমকপু **অপনবা অমত্তা য়াওহন্দনা তাকপী-তম্বীবথক্তদা** মায় ওনশিনবা ঙমহনগদবনি। মতুং তারকপদা, ওজাশিংসু মরম চাদনা নৎত্রগা কারক্লোইদবগী অয়াবা চেরোল য়াওদনা স্কুল কারক্তবদি মদুগী মরম পীগদবনি।

ছ) **ওজা মকোক/অমসুং নৎত্রগা স্কুল প্রিন্সিপাল** খূদিংমক্না **স্কুলগী চাওখৎ-থৌৰাংগী থৌরমশিংবু অমসুং স্কুলগী চৎন-লোনচৎ (কলচর)পু শৌগৎনবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌগনি**। অসিগুম্বা চৎন-লোনচৎ (কলচর)সিবু তেংবাঙ পীনবা স্কুল মেনেজমেন্ট কমিটিনা মীকুপ নাহুম শিংবা তাই, অমদি ডিরেক্টোরেট ওফ স্কুল এজুকেশনগী ওফিসেলশিংনা মথোয়গী মথৌশিংদুদা মায় ওনশিনহনবা তাই।

জ) মহৈরোয় পূম্বা কোনশিনবা ঙমহন্নবগীদমক্তা ভারতকী লোলশিংবু ওজা অমদি ওজাশিংবু শেমগৎপা ঙম্বা মীওইশিংবু **খ্বাইদগী ফবা মচাকশিং** পীবা অসিনা অহানবা থৌরাং ওইগনি।

ঝ) হৌজিক লৈরিবা **একাদেমিক সপ্পোর্ট ইন্সটিট্যুশন পূম্বা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক্তা** য়াম্না চেকশিনবা থৌরাংগা লোয়ননা একাদেমিক সপ্পোর্ট ইন্সটিট্যুশন্না মরুওইনা মখায় হাপকনি।

ঞ) য়ামদ্রবদা চহী থরগী তাকপী-তম্বীবগী লৌশিং লৈরবা মতুংদা ওজা পূম্বনা **মহৈগী থৌ পান্নবা (এজুকেশনেল এডমিনিষ্ট্রেশন) নৎত্রগা ওজাশিংবু তাকপী-তম্বীবগী থবক (টিচর এজুকেশন)তা চঙবা** য়াগনি। তুং কোইনগী ওইনা, মহৈগী থৌ পান্নবা (এজুকেশনেল এডমিনিষ্ট্রেশন)গী ফম খূদিংমক থৌবান্নববু খোয়দাজবা থোইদোক-হেন্দোকপা ওজাশিংগীদমক থাক্তুনা থমগনি।

## ৬. লৈবাকসিদা লৈরিবা অঙাং খূদিংমক্কী চপ মান্নবা অমদি অশুপ্পা মহৈ-মশিং

মসিগী থৌশিল অসিগী পান্দমদি মহৈগী কাঙলোন (এজুকেশন সিষ্টেম)বু মওং-মরিল তাহনবা হায়বদি ভারতকী অঙাং পুম্নবু কান্নবা ফংহনবনি, অদুনা অঙাং অমত্তনা মাগী পোকফম-চাফমগী নৎত্রগা শেল-থুমগী ফিভমনা মরম ওইরগা মহৈ তম্বগী অমদি মীথোই-মীহেল্লকপগী খূদোংচাবা মাঙহন্দবা অসিনি।

**পান্দমঃ** পাক-শন্না খোনজিনবা অমদি চপ মান্নবা মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (এজুকেশন সিষ্টেম) লৈহনবা অসিনা অঙাং পুম্নবু মহৈ তম্বগী অমদি থূমাং চাওশিনবগী চপ মান্নবা খূদোংচাবা ফংগনি, অমদি ইং ২০৩০ দদি নুপা-নুপী অমসুং থুন্নাইগী কাঙলূপ খূদিংমক শরুক য়াবগী অমদি মহৈ তম্বগী মহয় চপ মান্ননা ফংলগনি।

---

ক) অঙাং পীক্লিঙৈগী মহৈ, অহৌবগী ইবা পাবা অমসুং মশীং চৎপা, স্কুল চঙবা, মিং চনবা অমসুং কাবগা মরী লৈনবা থৌশিলগী থবকশিং (পোলিসি এক্সন)না **মীশীং য়ামজদ্রিবা (শোত্থরিবা) কাঙলূপশিংদগী থোরকপা মহৈরোয়শিংগীদমক ফংগে তাল্লিবা অপাম্বা অমসুং তেংবাঙ দু** ফংগনি।

খ) লৈবাক্কী শোত্থরবা মফম খূদিংদা **অথন্নবা মহৈগী মফম (এজুকেশন জোন)শিং** লিংথৎকনি। মসিগী তরু-তরুবা থুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী ফিভম তাকপদা য়ূম্ফম ওইদুনা পুথোক্লিবা মফমশিং অসি লাউথোকপদা ষ্টেটশিংবু পূক্নীং থৌগৎকদবনি, অদুগা ষ্টেটনা লুপা অমা চাদিং তৌরিবা খূদিংগী সেন্টরনা ২:১ রেশিওদা শেলগী তেংবাঙ পুথোক্কনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংনা অমত্তা ওইনা পূন্না য়েংশিল্লিবা অসিগী মরুওইবা ৱাখল্লোন্দি মসিগী জোনশিং অসিনা মমাংদা পনখ্রিবা থৌশিলশিংদুদা মীশিং য়ামজদবা কাঙবুশিং পূনশিনবগী মওংদা পুল্লপ খোনজিনবগী থবক অসিবু পাংথোকপদুনি।

গ) **মরুওইবা থৌরাং** খরদি **ওজাশিংবু** তত্তনা মীকুপ নাহুম শিংহন্দুনা মতীক-মঙম চাওখৎহনবা, মহৈগী লমদা মশীং য়ামদ্রিবা কাঙলূপশিংদগী ওজাশিং থন্ননবা অতোপ্পা লম্বী শেম্বীবা, মহৈগী লমদা মশীং য়ামজদ্রিবা কাঙলূপশিংদগী মহৈরোয়শিংগী মশীংয়ামহনবগা লোয়ননা স্কুলদা **মহৈরোয়-ওজাগী রেশিও** অকক্লনা ২৫:১ দগী হেনহন্দবসিনি, নৈন-কাঙলম (মেকানিজম)শিং অসি হৌদোকপগী মতেংনা পীরিবা মীওৎ-মীনৈ, অৱা-চৈথেং অমসুং নুপা-নুপী খেন্নবগী মীওৎ-মীনৈ, ইন্থোকপগী চৎনবী মুত্থৎপা য়াওনা **তম্ন-হীরমশিং (করিকুলম)** হন্না শেমদোক্তুনা পূম্নমক খোনজিন্দুনা **অশুপ্পা মহৈশঙগী অকোয়বগী ফিভম** অমা শেমগনি।

ঘ) সেন্ট্রেল এজুকেশনগী ষ্টেটিষ্টিক ডিভিজননা পায়খৎপা **অখোম-ৱারোল নৈনব (ডেটা এনালাইসিস)**গা লোয়ননা, মহৈরোয় খূদিংমক্কী মতাংদা থঙবা য়াবা ইনৌ-নৌবা ঈ-পাউশিং নেশনেল রিপোজিটরি ওফ এজুকেশনেল অখোম-ৱারোল (ডেটা)দা হাপতুনা থমগনি।

ঙ) থৌশিল অসিনা মশীং য়ামজদ্রিবা কাঙলূপশিংদগী **লনাই ওইনা থোরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী শেলগী তেংবাঙ**গীদমক জাতিগী শেন্থং (নেশনেল ফন্দ)গী থুখাংদগী স্কোলরশিপশিং, মচাক-মথুমশিং ফগৎহল্লি

অমদি খূদোংচাবশিং পী অদুগা ডিষ্ট্রিক অমদি লোয়শঙশিংদসু শেন্থং অমদি তেংবাঙ য়ৌহন্নবগী অমসুং শীজিন্নবগী পান্দম থম্মী। অতোপ্পা তেংবাঙগী পান্বৈ ওইনা নেশনেল ট্যুটর্স প্রোগ্রাম অমদি রিমিডিএল ইন্সট্রক্সন এইডস প্রোগ্রামদা থবক তৌবা মী হাপ্পা, নুংথিল চরা (মিড ডে মিল)গী মথক্তা অহেনবা অয়ুক্কী চরা ৱানবা অমদি অতোপ্পা মরুওইবা খূদোংচাবা কয়ামরুম হাপচিনবা য়াওরি। **অশুপ্পা মহৈ (ইনক্লুসিভ এজুকেশন)দা থিজিন-হুমজিনব**গী শেন্থংসু পীগনি।

চ) স্কুল ওজাশিং অমসুং নুপী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা **পা-পী থাক মান্নদবা** অসি লৈহন্দনবা নুপীনা শরুক য়াবা অমদি নুপীমচাশিংগী মহৈ-মশিং, **ট্রাইবেল, অতোনবা ফূরুপ কাঙলূপ অমদি লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা কাঙলূপশিং** অসিদগী হৌরকপা অঙাংশিংদা মহৈ-মশিংসি হায়রিবা খূদোংচাবশিং অসি থাক্তুনা থম্লগা শুংশোয় শোয়দনা ফংহনবা, সহরদা লৈবা লায়রবা ঈমুংদগী হৌরকপা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিং অদুগা মথোয়দুগী মহৈ-মশিংগী লম্বী ফংহন্নবা তেংবাঙবা অমদি **অথন্নবা মীৎয়েংশিং** চঙবগী তঙাইফদ্রবা অঙাংশিং লোয়ন-লোয়ননা **ট্রাসজেন্দর ওইরবা অঙাংশিং**বু লেপ্তনা অফবা মীৎয়েংগা লোয়ননা য়ুমলোন্নবা স্কুলগী মীমান্নরিবা অঙাংশিংগা মথোংগী থাক (ফাউন্দেশন ষ্টেজ)তগী ক্লাস ১২ ফাওবা তিন্নহনবসি থৌশিল অসিগী পনবা য়াবা খূদমনি।

## ৭. স্কুল কমপ্লেক্স (স্কুল থরগী অপূনবা কাঙলূপ)শিংগী পান্থৈনা স্কুল মহৈগী থবক-থৌরম পান্নবা (গভর্নান্স)

**পান্দমঃ** স্কুলগী মচাক-মথুম লৌথোক-লৌশিন্দা খূদোংচাননবা অমদি থবক-থৌরম পান্নবদা হেন্না নকশিন্নবা, কান্ননবা, অমসুং মতীক চাহন্নবগীদমক স্কুলশিংসি স্কুল থরগী অপূনবা কাঙলূপ (স্কুল কমপ্লেক্স) ওইনা শেম্মী।

স্কুল থরগী অপূনবা কাঙলূপ (স্কুল কমপ্লেক্স)শিং শেমগৎপনা মচাক-মথুম কয়াগী অৱাৎপনা থল্লবা শাথীনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা থুরৌশিং হায়বদি, পব্লিক স্কুলশিং, মরুওইনা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা অপীক-অপীকপা স্কুলশিংগী অৱাবশিং হন্থহল্লি। অসুম্না লৈফমদি হোংহনদনা অয়াম্বা পব্লিক স্কুলশিং অসি লূপ অমদি থবক-থৌরম পান্নবা অমগী মথাদা পুরকপনা, মহৈরোয়শিংদা অথিংবগী অৱাবা লৈহন্দনা মায় পাকপা থবক-থনাগী থূজিং অমা শেম্বদা মতেং পাংই।

ক) ইং ২০২৩ ফাওবদা স্কুলশিংবু য়েন্থোক্লিবা মীশীং, ফাওন-শম্নহল্লিবা অমদি মফম মফমগী ওইবা ফিভমশিং য়েংলগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা **স্কুল থরগী কাঙলূপশিংদা পূনশিগনি**। পূনশিনবগী থবক অসিদা স্কুলশিংদা মশীং য়ামদনা মিং চনবা (খূদম ওইনা, মহৈরোয় মশীং ২০ দগী হন্থবা), স্কুলশিং পূনশিনবা অমদি য়েংশিনবা য়াওরি। মতাংসিদা চথোক-চৎশিনগী অসিগুম্বা থৌরাং লৌথৎপনা অমগা অমগা মীং চনশিনবদা য়ৈথায় থিনগায়বা অমত্তা থোক্লোই। মসিদা হৌজিক লৈরিবা স্কুলশিংগী ফিভম অসি ষ্টেটনা য়েংশিনবগী খূদোংচাবা অমসু ওইগনি।

খ) স্কুল কমপ্লেক্সশিংনা অপীকপা স্কুলশিং মচোই মচোই লৈবশিংদু লৈহল্লরোই, মসিনা লাইরিক-লাইশুগী অমদি অশিন-অরাংগী থবক্তা পূন্না তৌমিন্নবা ঙম্বা অমদি অমগা অমগা তেংবাঙনবা পাম্বা **ওজাশিং অমসুং প্রিন্সিপালশিংগী থুন্নাই অমা শেমগনি**। স্কুল কমপ্লেক্স অসি পব্লিক স্কুল সিষ্টেমগী খ্বাইদগী মরুওইবা শিল্লম-শিন্থা পান্নবগী থূজিং অমা ওইগনি।

গ) স্কুল কমপ্লেক্স অমদা চাউরাক্লা পব্লিক স্কুল ১০-২০ ফাওবগী অপূন-কাঙবূ লৈগনি, ফাওন-শম্নরিবা লমদমশিং অদুগী মনুংদা অহানবা তাঙ্কক্তগীনা ক্লাস ১২ ফাওবগী মহৈ-মশিং তম্বীগনি। সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপালনা স্কুল কমপ্লেক্স অদুগী মকোক ওইগনি।

ঘ) স্কুল কমপ্লেক্স খূদিংমক **সেমি-ওটোনোমস য়ুনিট** ওইগনি, মসিনা অহানবা থাক্তগী সেকেন্দরি স্কুল (ক্লাস ৯-১২) অমা য়াওবা ক্লাস ১২ ফাওবা মহৈ-মশিং তম্বীগনি অদুগা পব্লিক স্কুল পুন্নমক্লা মসিগী অকোয়বদা লৈবা বেসিক/প্রিপরেটরী অমদি মিডল স্কুলগী মহৈ-মশিং তম্বীগনি।

ঙ) স্কুল কমপ্লেক্সশিং ওল্লবা স্কুল কাঙবুশিং অসিদা য়াওরিবা **স্কুলশিংগী মরক্তা স্কুলগী মচাক-মথুমশিং হায়বদি হীরমশিংসি** তাক্লিবা ওজাশিং, শান্ন-খোৎনবা, ঈশৈ-নোংমাই অমসুং আর্টকী ওজাশিং

কাউন্সিলরশিং অমদি সোসিএল ৱার্করশিং **শরুক য়ামিন্নবা (ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌনবা) য়াই**। লেবোরেটরীশিং, লাইব্রেরীশিং, ICT থূজু-থূৎলাই, ঈশৈ-নোংমাইগী থূজু-থূৎলাই, শান্ন-খোৎনবগী থূজু-থূৎলাই, শান্নবূংনচিংবা মপান্থোংগী ওইবা মচাক-মথুমবু নীংথিজনা অমগা অমগা ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌবসু য়াহল্লি অমদি মসিনা মীয়ামগী মচাক-মথুমগী থূদোংচাবশিংবু মপূং ফানা শীজিন্নহল্লি।

চ) মসিগী পান্দমদি য়াম্না ফবা **মহৈ-মশিংগী থূদোংচাবশিংগী কোহিরেন্ট সেট** অমা শেম্বনি, মসিদা স্কুলনা অহৌবগী চহী অহুমগী অহৌবগী মহৈ (ফাউন্দেশন এজুকেশন) পীবা, শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন) অমসুং অহলগী মহৈ (এডল্ট এজুকেশন) পীবা মহৈ-লোয়শঙশিং, ওজাবু ঙাক্লৌ পীবা মহৈ-লোয়শঙশিং অমদি অমগা অমগা ফাওন-শন্নরিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীমান্নদ্রবা অঙাংশিংগীদা ঙাক্লৌ পীবা অদুগা মথোয় মথোয়গী থবক্তা তেংবাঙনবা য়াওই। ডিষ্ট্রিক্তা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-লোয়শঙসু ঙাক্লৌ (খূদম ওইনা, ওজাগী শিনফমগী চাওথৎ-থৌরাংগী তেংবাঙ) পীগনি।

ছ) কমপ্লেক্স থূদিংমক্কী মরীক চূম্বা **ওজা থুন্নাইগী চাওথৎহন্নবা থৌরাং (টিচর ডিভেলপমেন্ট প্লান)** অমা শেমগনি; থৌরাংনা তমজনীংবা কাঙবুশিংদি চয়োলগী মীফমশিং, ওজাশিংগী তমশিন-খোৎচিনবগী ময়ায়-লোয়শঙশিং অসিগী থৌওংশিংগী মতেংদগী মথোয়দু য়াম্না তুং কোইনা চাওথৎকনি। অদুগীসু মথক্তা, অতৈ অতোপ্পা অতৎ-অথম লৈতবা শিনফমগী চাউথৎ-থৌরাংগী মওংশিং - সেমিনারশিং, ক্লাসতা তাকপী-তম্বীবা, এক্সপোজর ভিজিট অসিনচিংবশিং পীগনি। ডিষ্ট্রিক ইন্সটিট্যুট ওফ এজুকেশন এণ্ড ট্রেনিং অমদি ব্লোক এণ্ড ক্লষ্টর রিসোর্স সেন্টরশিং য়াওনা, একাডেমিক অমদি টিচর সপ্পোর্ট সিষ্টেমসি স্কুল কমপ্লেক্স সিষ্টেমগা পূন্না মরী লৈনগদবনি।

জ) স্কুল কমপ্লেক্স থূদিংমক্কী কাঙলূপ কাঙলূপতুদা য়াওরিবা স্কুল পুম্নমক্তগী মীহুৎশিং য়াওবা, লোয়ন-লোয়নননা কাঙলূপ অদুদা শাইদাংলিবা অতোপ্পা মহৈ-লোয়শঙশিং হায়বদি এডল্ট এজুকেশন সেন্টর, ক্লষ্টর রিসোর্স সেন্টর অসিনচিংবশিংগী মীহুৎ য়াওবা **স্কুল কমপ্লেক্স মেনেজমেন্ট কমিটি** অমা লৈগদবনি। কমিটি অদু ষ্টেট অমদি মসিগী কাঙবুদুদা স্কুলগী মায়কৈদগী অনীংবা ফোঙদোক্লবগী হক পীগদবনি। মসিনা ওজাশিংগী থৌ পাংথোকপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌই।

ঝ) তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংনা মশা মশাগী ওইবা থৌরাং য়াৎকনি, মসি **স্কুল কমপ্লেক্সকী থৌরাং** ওইনা য়াৎলক্কনি, অদুগা ডিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এজুকেশন্না অয়াবা পীরক্কনি। ডিষ্ট্রিক থূদিংমক্তা স্কুল সিষ্টেমগী অশোয়বা অমদি মথোয়গী মথৌ-মঙম অমদি শক্তি শীজিন্নবদু য়েংশিন্নবা **ডিষ্ট্রিক এজুকেশন কাউন্সিল/জিল্লা শিক্ষা পরিশদ**সু লৈগনি।

## ৮. স্কুল মহৈ ( স্কুল এজুকেশন)গী চৎন-পথাপ

**পান্দমঃ** ভারতকী স্কুলগী মহৈ কাঙলোন (স্কুল এজুকেশন সিষ্টেম) অসি তীং লাউবা চৎন-পথাপ অমদি মীয়াম্না য়ানরবা নৈন-কাঙলম (মেকানিজম)শিংগী মতেংনা মপাঙ্গল কনখৎহনগনি; মসিনা অপূনবগী শক্তম ঙাকপা অমদি মনুং–মপাল ফাওনা উবা ঙমহল্লি; লেপ্পা লৈতনা মহৈ-মশিং পীবগী মহয়শিং ফগৎহন্নবা থাক ৱাংবা অমসুং থূমাং চাওশিনবা হেনগৎহল্লি। চৎন-পথাপ অসিনা শুংশোয়-শোয়দনা মহৈ-মশিং ফগৎহন্নবগী ইঞ্জিন ওইগদবনি অমসুং ভারতকী স্কুলগী মহৈ কাঙলোন (স্কুল এজুকেশন সিষ্টেম)দা মতীক (ইনর্জি) পীগদবনি।

ক) তোঙানবা মায়কৈ অনীদগী লাকপা চয়েৎনবা ৱাখল্লোনশিং লৈহন্দনবগীদমক্তা স্কুলগী চৎন-পথাপ অমসুং মসিবু পান্নবগী থবকসি তোঙান-তোঙানবা লূপ্পা পাংথোক্কদবনি। **থৌশিল য়াৎপা (পোলিসি মেকিং), চৎন-পথাপ ইলহনবা (ৰিগুলেশন), থবক-থৌওংশিং চথবা অমদি লাইরিক-লাইশুগা মরী লৈনবা মচাকশিংগী তশেং-তশেংবা, তোঙানবা কাঙলোনশিং** লৈহনগদবনি।

খ) ষ্টেট থূদিংমক্কী ক্কাসি-জুদিসিএলগী থাক লৈবা **ষ্টেট স্কুল ৰিগুলেটৰি ওথোৰিটি** কৌবা মনীংতম্বা ষ্টেট পূম্বগী মতীং থোকপা লূপ অমা শেমগনি, অদুগা ষ্টেট পূম্বগী পব্লিক স্কুলিংগী কাঙলোন চৎনহনবগী থৌওং অদুনা ডিরেক্টোরেট ওফ স্কুল এজুকেশন্না পায়গনি।

গ) **চৎন-পথাপ অসি** স্কুল ক্কালিটি এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রিডিটেশন ফ্রেমৱর্ক অমনা থঙবা **এক্রিডিটেশন সিষ্টেম অমদা য়ূম্ফম ওইগনি**। উচন (ফ্রেমৱর্ক) অদুনা তঙায়ফদবা লমওম-লমজৈ (পেরামিটর)শিংদমক কোনশিনগনি অদুগা মতুং তারকপদা স্কুল হৌননবা লাইসেন্সতা থঙহল্লক্কনি। স্কুলশিংনা মশানা চলাইজবা মতমদা মদুবু য়েংশিন্নবগী থৌওং অমা শীল্লাংগনি। মসিগী থৌওং অসি পব্লিক অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিং অনীমক্তা চৎনগনি।

ঘ) চৎন-পথাপ্পু নমদুনা চৎনহল্লিবা অসি ঙসিগী লৈরিবা য়েংশিনবগী থৌওং অসিনা নম হাদুনা তৌরোই; মদুগী মহুত্তা স্কুলগা মরী লৈনবা ঈ-পাউ পূন্নমক মীয়াম্না থঙবা মরম্না **মমা-মপাশিং**না চপ চাবা **চৎন-পথাপ ঙাকহন্নবগী লূপ** ওইগনি।

ঙ) ষ্টেট কাউন্সিল ওফ রিসর্চ এণ্ড ট্রেনিংনা অনেম-অৱাংগী থল শীল্লাংলিবা অমদি তম্ন-হীরম (করিকুলম)শিং য়াওনা ষ্টেটতা লৈরিবা লাইরিক-লাইশুগা মরী লৈনবশিংসি লূচিংগনি। স্কুল থাদোক্লমদাইগী মতমদা মহৈরোয়শিংবু মতীক চারে হায়বগী সর্টিফিকেট পীবগী থবকসিনা ষ্টেটকী বোর্ড ওফ সর্টিফিকেশন/ একজামিনেশন অসিনা পায়গনি; মসিগীদমক্তা চপ চাবা চাংয়েংশিং পাংথোক্কনি; অদুমকপু তম্ন-হীরম (মপী লাইরিকশিং য়াওনা) শেম্বদদি মথোয়গী থৌদাং অমত্তা লৈরোই।

চ) **লন্নাইগী ওইবা লৈত-লায়র তেংবাঙবা স্কুলশিং** অসি পূন্নীং থৌগৎপীগদবনি অমদি মখোয়দা থল্লিবা চৎন-পথাপ ময়ামদু কোমথোকপীগদবনি; অদুমকপু লনাইগী মীওইশিংনা স্কুলবু শেন্দান-লম্বীগী মওংদা চত্থরিবশিং অসিদি থিংগদবনি।

ছ) **পব্লিক অমদি প্রাইভেট স্কুলশিং অসি মান্নবা** চৎন-পথাপ, থাক অমদি থৌওংশিংদা চলাইগদবনি; মসিনা মীয়ামগী থনবা প্রাইভেট স্কুলশিংগা লোয়ন-লোয়ননা লন্নাইগী ওইবা লৈত-লায়র তেংবাঙবগী ৱাখল্লোন্দা লিংথৎপা স্কুলশিংবু পূন্নীং থৌগৎকনি।

জ) ষ্টেট থূদিংমক্কী ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এজুকেশনেল রিসর্স এণ্ড ট্রেনিংনা **স্কুল ক্বালিটি এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রিদিটেসন ফ্রেমৱর্ক** অমমম শেমগনি। মসি ষ্টেট স্কুল রিগুলেটরি ওথোরিটিনা ময়াম্না য়ানরবা কাঙলোন অমদা য়ূম্ফম ওইরগা স্কুলশিং অদুগী চৎন-পথাপ অদুগীদমক্তা শীজিন্নগনি।

ঝ) স্কুলশিং অমদি স্কুল কাঙলোনশিংনা তম্ন-হীরম (করিকুলম)শিং থন্নবগী কোমথোকপা লৈগনি, মসি জাতিগী/ষ্টেটকী তম্ন-হীরমশিংগী উচন (নেশনেল/ষ্টেট করিকুলম ফ্রেমৱর্ক)গা য়ানগদবনি।

ঞ) লূপ অমসুং মহৈ-শঙ খূদিংনা চহীগী অমদি মরক্কী (চহী ৩-৫) ওইবা থৌরাং য়াৎকনি। কাঙলোন চুন্না য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা অৱাংবা থাক্কী শিল্লম-শিন্থা পান্ন-লূপ অমা শেল্লগা থমগনি।

ট) মহৈরোয়শিংনা তম্বগী থাক্কী খূদম-চাংদমদা য়ূম্ফম ওইবা **নেশনেল এচিবমেন্ট সর্ভে** অসি নেশনেল কাউন্সিল ওফ এজুকেশনেল রিসর্চ এণ্ড ট্রেনিংনা পাংথোক্লনবা মথা চত্থগনি। ষ্টেটনসু সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইবা ষ্টেট এসেসমেন্ট সর্ভে অমা পাংথোক্লনবা মথা চত্থগনি।

ঠ) **মহৈ তম্বগী হক (রাইট টু এজুকেশন)** অসি স্কুলগী চৎন-পথাপ অমদি শিল্লম-শিন্থা পান্নবগী অরেপ্পা আইনগী য়াঙলেন শরু ওইবনা **হন্না য়েংশিনগনি** অমদি মসিগী থৌশিলসি **চান্ননা শেমদোক-শেমজিনশিং তৌবা** য়াগনি। চৎনবা হেক হৌখিবদগী মহৈরোয়শিংদা য়ূম্ফম ওইরগা হেন্না ফগৎহন্নিঙাই ওইবশিংসু মসিদা য়াওশিনগনি।

# অৱাংবা থাক্কী মহৈ

## অনৌবা মহৈশঙগী আর্কিটেকচর

**পান্দমঃ** অৱাংবা থাক্কী মহৈগী কাঙলোনসি নৌনা শেমদোকপা অমসুং লৈবাক শীনবা থুংনা মালেমগী ওইবা থাক্কী মহৈশঙশিং লৈহনবনি। ইং ২০৩৫ ফাওবদা য়াম্মদ্রবদা গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিওসি ৫০% শোয়দনা হেনগৎহনবনি।

অৱাংবা থাক্কী মহৈগীদমক অনৌবা মহৈশঙগী আর্কিটেকচর অমা য়াম্না চাউনা, মরাং কায়বা মচাক-মথুমগা লোয়ননা খ্বাইনা পাম্নরবা হীরম কয়ামুক লৈবা মহৈশঙশিংগী মঙলান অমা শাগৎলক্লি। হৌজিক লৈরিবা তাইবংমহৈকোল ৮০০ অমদি কলেজ ৪০,০০০সি খোইদোক-হেন্দোকপা মহৈশঙ ১৫,০০০ রোমদা পূনশিল্লগনি।

ক) অসিগুম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈগী অনৌবা আর্কিটেকচর অসিনা মহৈ-মশিংগী অকনবা ফুরূপ অমা শেম্বদা তাকপী-তম্বীবগী অমসুং খিজিন-হুমজিনবগী, **তরং-তরংনা পাকথোক-চাউথোরকপা অমদি মতীক-মঙল লৈনবা অচৌবা, মরাং কায়বা মচাক-মথুম, খ্বাইনা পাম্নবা অমসুং অফবা হীরম কয়ামুক লৈবা** মহৈশঙ শেমগনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈগী লোয়শঙ পূম্বা হীরম কয়ামুক হাংবা মহৈশঙশিং, তোঙান-তোঙানবা হীরম অমদি লমশিংদা তম্বীবগী থৌরমশিং লৈবা ওইরগনি।

খ) থল্লিবা মীৎয়েংদুদা তোঙান-তোঙান্না য়েংলগা **মহৈশঙশিংসি মখল অহুম** থোক্লা থায়দোক্কনি - অহুম্মক অৱাংবা থাক্কী ঙাক্তা ওইগনি।

- মখল-১না হীরম খূদিংমক্তা খিজিন-হুমজিনবা অমদি অৱাংবা থাক্তা মীৎয়েং থম্মী।
- মখল-২না খিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা খোইদোক-হেন্দোক্লা খূদোল তম্বগা লোয়ননা হীরম খূদিংমক্তা অৱাংবা থাক্কী তাকপী-তম্বীনবা মীৎয়েং থম্মী।
- মখল-৩না অণ্ডরগ্রেজুয়েট থাক্কী মহৈদা মীৎয়েং থমদুনা হীরম খূদিংমক্তা অৱাংবা থাক্কী তাকপী-তম্বীনবা মীৎয়েং থম্মী।

গ) মসিগী নৌহৌননা শকওং শেমগৎপগী (রি-ষ্ট্রকচরিং) থবকসি হৌজিক লৈরিবা মহৈশঙশিংসি পূনশিন্দুনা অমসুং হন্না শেমজিন-শাজিন্দুনা অদুগা অনৌ অনৌবা শাগৎতুনা, মওং-মরিল নাইনা অমদি ৱাখল লৈনা পাংথোক্কনি। মসিগী অনৌবা মহৈশঙগী আর্কিটেকচর (শঙলেন)সি খোঙজেল য়াঙথৎহন্নবগীদমক **মিশন নালন্দা অমসুং মিশন তক্ষশিলা** হৌদোক্কনি। মিসনশিংসিগী শরুক অমা ওইনা তমজনীংঙাই ওইবা মহৈশঙ খরা, ইণ্ডিয়ন ইন্সটিট্যুটস ওফ লিবরেল আর্টস/মল্টিডিসিপ্লিনরি এজুকেশন এণ্ড রিচর্স য়ুনিভর্সিটিজ লিংখৎকনি।

ঘ) মহৈশঙ খূদিংমকসি **তাইবংমহৈকোলশিং নৎত্রগা ডিগ্রী পীবা ঙম্বা মনীংতম্বা কলেজশিং** ওইগদবনি।

ঙ) তরং-তরংবা অমদি নুং-পাল ফাওনা উবা কাঙলোনগী মতেংনা পব্লিক হাইয়র এজুকেশন পাকথোক-চাউথোক্লবা অমদি থৱায় হাপ্লবগীদমক **সবষ্টেন্সিএল পব্লিক ইনভেষ্টমেন্ট** লৈগদবনি।

চ) **লম্মীৎ-তুম্মীৎলোন শোথরবা লমদমশিংদা** থাক ৱাংবা মহৈশঙশিং শেমগৎপসিনা অহানবা তৌগদবা খোঙথাংনি।

ছ) মসিগী অনৌবা ইন্সটিট্যুশনেল আর্কিটেকচর অসিনা শিনফমগী লমশিং য়াওনা লম খূদিংমক কোনশিনগনি।

## ২. অৱাংবা থাক্কী লিবরেল এজুকেশন (হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈ)

**পান্দমঃ** থল্লবা হীরমশিং অমসুং লমশিংদা অথন্নবা নৈনবগা লোয়ননা মহৈরোয় পুন্নমক্কী মপূম ওইনা চাউখৎলক্লবা থোল্লিবা য়ুম্ফম ওইনা হেন্না ৱাখলনা লাকশিনবা অমদি পাক-থোনবা হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈরোমদা থূমাং চাওশিনবা মায়কৈরোমদা চঙশিনবা মশক।

অণ্ডরগ্রেজুয়েটকী থৌরম থূদিংমক ৱাখলনা লাকশিনবা অমসুং শেমদোক-শেমজিন য়াবা তম্নপ-হীরম (করিকুলম)শিংগী মশক-মওংশিং, মহৈ তম্বগী হীরমশিংগী ক্রিএটিব কম্বিনেশনশিং অমসুং পূনশিল্লবা থৌরমশিং অদুদা য়াওরিবা থোকফম অমসুং থাজিন্নবা মফমশিং (একজিট এণ্ড এন্ট্রি পোইন্টস)গী পাম্বৈনা মপূম ওইনা চাউখৎহনবগীদমক হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈ (লিবরেল এজুকেশন)গী খোঙজং অমনা শক্তাক্কনি, অমদি থল্লবা হীরমশিং অমসুং লমশিং অদুদা চপ চানা মশা মশানা পামজবদু ফংহল্লি।

ক) কন্সটিট্যুশনেল ভেল্যুবু ফগৎহন্নবগীদমক্তা হীরম কয়ামুক য়াওবা হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈ (লিবরেল এজুকেশন)বু শক্তাকপা অসি অৱাংবা থাক্কী মহৈগী অহৌবা য়ুম্ফম ওইগনি। মসিনা মরুওইবা পূন্সিগী মতীক-মঙল, অকনবা লমচৎ-শাজৎকী ৱাখল তামিন্নবা অমসুং খুন্নাইগী অৱাংবা লীচৎ তোৎন-তিন্নবগী লোনচৎ-শাজৎ অমা চাওখৎহল্লি। মসি চাউরাক্লা শিনফমগী অমসুং শিন্নাইগী লমশিং য়াওনা হীরম, থৌরম থূদিংমক্কী অণ্ডরগ্রেজুয়েটকী থাক্তা চঙশিনবা খোঙজংনি।

খ) সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ইণ্ডিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী থাক অমদি লাকশিন-শক্তম (ডিজাইন)দা ইণ্ডিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ লিবরেল আর্টস/মল্টিডিসিপ্লিনরি এজুকেশন এণ্ড রিসর্চ য়ুনিভর্সিটি তরা লিংখৎকনি।

গ) **ৱাখলগী ওইবা অমসুং শেমদোক-শেমজিন য়াবা তম্নপ-হীরম (করিকুলম)গী শাবানশিং**না তম্নবগী তোঙান-তোঙানবা হীরমগী ক্রিএটিব কম্বিনেশনশিংদু শোয়দনা য়াহনগনি অমসুং মহৈরোয়শিংগী হীরম কয়াদা কান্নবা পুথোক্লবা অমদি থোকফম অমসুং থাজিন্নবা মফমশিং (একজিট এণ্ড এন্ট্রি পোইন্টস) পীগনি। অসুম্না হৌজিক লৈরিবা থাজিল্লিবা পলশিং অসিবু মাঙহনবা অমসুং মতম চুপ্পগী তম্নবগী ওইথোকপশিং শেমগৎকনি। গ্রেজুয়েট (মাষ্টর্স অমসুং ডোক্টরেল) থাক্কী মহৈরোয়শিংনা চপ চাবা খিজিন-হুমজিনবদা য়ুম্ফম ওইবা মশা মশানা পামজবদুগী হীরম পীগনি।

ঘ) অণ্ডরগ্রেজুয়েটকী ডিগ্রীসি চহী ৩ নৎত্রগা ৪ চঙগনি। হায়রিবা মতমসিদা মহৈশঙশিংনা **মল্টিপল এগজিট ওপশনশিং** পীবা য়াই; মসিগা লোয়ননা হীরম নৎত্রগা লম অমদা হেক্তা অৱাংবা থাক্কী ডিপ্লোমা (শিন্নাই অমসুং শিনফমগী লমশিং য়াওনা) তমদুনা চহী ২ নৎত্রগা চহী ১ মপূং ফারবগী মতুংদা মতীক চাবা সর্টিফেকেট পীগনি।

ঙ) চহী-৪গী থৌরমসিনা মহৈরোয়শিংবু হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈ (লিবরেল এজুকেশন)গী মপূং ফাবা মখল-মথেলগী হীরমশিংদু হকথেংননা তম্নবা খূদোংচাবা পীগনি। মসিবু থল্লবা

মেজর অমসুং মাইনর সবজেক্টশিংগী **বেচলর ওফ লিবরেল আর্টস** কৌগনি। চহী-৩গী থৌরম্না বেচলর ডিগ্রী ওইগনি। থৌরম অনীমকসিদা মহৈরোয়শিংনা থিজিন-হুমজিনবগী থবক য়াওশিল্লবদি ‘ওনর্স য়াওবা’ ডিগ্রী কৌগনি।

চ) ওজাগী মহৈ, ইঞ্জিনিয়রিং, মেডিসিন (হীদাক-লাংথক), লো (আইন)গুম্বা শিনফমগী ওইবা লম থরগী অণ্ডরগ্রেজুয়েট ডিগ্রীগীদমক্তদি চহী মরিথক্তং (নৎত্রগা হেনবসু) য়াই।

ছ) মহৈশঙশিংদা মাষ্টরগী থৌরমশিং তম্ননবা তোঙান-তোঙানবা মওংশিং পীবদা কোমথোক-কোমশিন থরা লৈগনি, খূদম ওইনা, চহী-৩গী অণ্ডরগ্রেজুয়েট থৌরম লোইরক্লবশিংগীদি অনীশুবা চহীদুদা মপূংফানা থিজিন-হুমজিনবগী থবক য়াওশিল্লগা মাষ্টর তম্বগী মতমদু চহী-২গী থৌরম ওইগনি। চহী-৫গী অপূনবা মাষ্টরগী থৌরম (ইন্টিগ্রেটেড মাষ্টর্স প্রোগ্রাম)সু লৈবা য়াই; অদুগা ওনর্স য়াওনা চহী-৪গী অণ্ডরগ্রেজুয়েট লোইরক্লবা মহৈরোয় কাঙবুশিংগীদি চহী-১গী মাষ্টরগী থৌরম লৈগনি।

জ) Ph.D. তৌবগী ওইনদি মাষ্টরগী ডিগ্রী পায়বা নৎত্রগা ওনর্স য়াওবা চহী-৪গী অণ্ডরগ্রেজুয়েট ডিগ্রী অমা পায়বগী মথৌ তাই। M.Phil. প্রোগ্রামদি মথা চত্থররোই।

## ৩. চূনগদবা তম্ফম অমা শেম্বা

**পান্দমঃ** মহৈরোয়শিংবু খূদিংমক্তা থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং অয়ৌবী থাক্তা মহৈ পীনবগীদমক্তা নুংঙাইবা, চপ চাবা অমদি কান্ননীংঙাই ওইবা তম্ন-হীরম  (করিকুলম), কান্ননীংঙাই ওইবা তাকপী-তম্বীবগী পরিং-পথাপ অমগা ইরোয়নবা, লৌশিং ফগৎহন্নবা অমসুং খোগোপ্পা চাওখৎহন্নবা চেকশিন-খোইজিন্না য়েংশিনবীবনি।

অৱাংবা থাক্কী মহৈদা তম্ন-হীরম অমসুং তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপ (করিকুলম  অমসুং  পেদাগোজি)না নহা ওইরিবা মীওইশিংবু ডেমোক্রেসিগী চঙ চঙ লাউবা নাগরিক ওইবা ঙম্নবা অমদি লম অমদা হেক্তা মায় পাকপা শিন্নাইরোয় অমা ওইবা ঙম্ননবা পোৎশকশিং অমদি খূৎলোয়বা থৌওংশিং চিনফা পুদুনা তম্বদগী নাথৈহল্লি।

ক) চঙ চঙ লাউবা অমদি চপ চাবা তম্ন-হীরম  (করিকুলম)শিংগী খূমাং চাওশিনবসি **নেশনেল হাইয়র এজুকেশন ক্বালিফিকেশন্স ফ্রেমৱর্ক**না লমজিং-লমতাক্কনি; মসিনা তোঙান-তোঙানবা লমশিং অমসুং হীরমশিংদা ডিগ্রী/ডিপ্লোমা/ সর্টিফিকেট পীবা ঙম্বগা লোয়ননা মহৈগী মহয়শিংদুগী পরিং য়াৎকনি। মসিগী উচন (ফ্রেমৱর্ক)সিনা লাইরিক-লাইশুগী অমদি মশিনগী/শিন্নাইগী লমশিং শীন্থুংনা মান্নহনবা অমদি হোংদোক-হোংজিন য়াহন্নবা নেশনেল স্কিল্স ক্বালিফিকেশন্স ফ্রেমৱর্ক অদুগা চানহনগনি।

খ) হোংদোক-হোংজিন অমদি নৌনা শেমদোক-শেমজিন য়াননবা **চোইস বেজ ক্রেদিট সিষ্টেম**বু হন্না শেমদোক-শাদোক্কনি অমদি ফগৎহনগনি।

গ) কান্নবা তাকপী-তম্বীনবা পরিং-পথাপ (পেদাগোজি)কী থৌওংনা ইচং থৌহনবা তম্বগী মহাও ফংহনগনি; মহৈরোয় পুম্বসু খুন্নাইগা তোৎন-তিন্নবগী খূদোংচাবা চাউনা ফংগনি। মহৈরোয়শিংবুসু লাইরিক-লাইশুগী মাইয়োনথক নত্তনা নীংথিনা পাংথোকপা ঙম্বা অমদি থৌবাংনীংবগী মতৌ অদুনা মখোয়গী থাক লেপকনি।

ঘ) মহৈরোয়শিংবু অফবা মহৈ ফংহনবদা মতেং পাংনবা **লাইরিক-লাইশুগী, শেল-থুমগী অমদি পূন্নীং-ৱাথলগী তেংবাঙশিং** ফংগনি।

ঙ) **ওপন এণ্ড ডিষ্টেন্স লর্নিং** পাকথোক-চাউথোকহনগনি; অসুম তৌবনা গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও ৫০% হেনগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। ওনলাইন ডিজিটেল রিপোজিটরি, থিজিন-হুমজিনবগী শেন্থং, অফবা মহৈরোয়গী মতেংশিং MOOCsকী ক্রেদিটতা য়ূম্ফম ওইরগা শকথঙবীবা অসিনচিংবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎকনি অমদি মসি খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ক্লাস-প্রোগ্রামগা মান্নহন্নগনি।

চ) মহৈবু মনুংদা অমগা অমগা ফাওনহনবা মশকসি মহৈশঙশিংনা পূন্না পাংমিন্নবা অমদি মহৈরোয় অমসুং ওজাগী চথোক-চৎশিন তৌবা অনীমক্কী খুথাংদগী ফগৎহল্লি। মালেম থাক্কী মহৈগীদমক ইন্টর-য়ুনিভর্সিটি অমা ভারতকী থনগৎলবা তাইবংমহৈকোলশিংগী মনুংদা লিংখৎকনি।

## ৪. মপাঙ্গল হাপ্পবা, মথৌদা পূক্নীং লূপ্পা অমদি মতীক লৈবা ফেকল্টি

**পান্দমঃ** তাকপী-তম্বীবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা থোইদোক্পা অহেনবা ওইহন্নবা মতীক চারবা অমদি অচেৎপা অমসুং থাজনীংঙাই ওইবগা লোয়ননা মপাঙ্গল হাপ্পবা ফেকল্টি লৈহনবা।

অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মায় পাক্নবগী মচাক্তি মহৈশঙশিং অদুগী ফেকল্টিগী থাক অমসুং থৌদাংনি। মসিগী থৌশিল অসিনা ফেকল্টিবু অৱাংবা থাক্কী মহৈগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইনা লৌই।

ক) মহৈশঙ খূদিংমক্কী মরাং কায়বা ফেকল্টি লৈগদবনি অমদি মথৌ তাবা থৌরম, হীরম অমদি লম খূদিংমক শুংশোয় শোয়দনা ফংহনগনি; মহৈরোয়-ওজাগী ওইবা য়াবা রেশিওসি (৩০:১দগী হেল্লোইদবনি) অমদি অতোপ্পা মথল মথেলসু ফংহনগদবনি।

খ) পাক শন্না চৎনরিবা এডহোক, মতম থরদং থবক হাপ্পা (কন্ট্রেকচুএল এপোইন্টমেন্ট) খূদক্তগী লেপহল্লগনি।

গ) ফেকল্টি লৌবসি মহৈ হৈবা, তাকপী-তম্বীবগী মতীক-মঙম অমদি মীয়ামগী থবক তৌনীংবগী ৱাখল্লোন লৈবশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা লৌগনি।

ঘ) ইং ২০৩০ দদি ফেকল্টিগীদমক্তা চপ চানা মশক লাক্লবা তুং কোইনগী থবক হাপ্পগী (অকক্নবা মতম) লীক্লম অমা হৌদোক্লগনি। মসিগী থৌরাংসি লনাইগী মহৈশঙশিং য়াওনা মহৈশঙ খূদিংমক্তা মপূংফানা মথৌ পাংথোকহনগনি।

ঙ) লাইরিক-লাইশুগী লমদা অথিংবা লৈহন্দনা মখোয়গী কোর্সশিংগী তম্ন-হীরম (করিকুলম)শিং থন্নবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা মখা চত্থনবা ফেকল্টিবু মপাঙ্গল হাপকদবনি।

চ) মহৈশঙ খূদিংমক্না ফেকল্টিগীদমক্তা লেপ্তবা শিনফমগী চাওখৎ-থৌরাংগী থৌশিল-থৌরাং অমা য়াৎকনি অমসুং মসিবু চৎনহন্নবা থৌওংসু লেপকনি। থৌরাংসিদা হীরম/লমদুদা মপূং-মরৈ ফাহনবগী মতীক-মঙম লৈহনবা, তাকপী-তম্বীনবা চৎন-পথাপকী মতীক-মঙমশিং, থবক ওইনা পাংথোক্কবা থিজিন-হুমজিনবা অমদি মদুগী পোত্থোকসু কোনশিনগনি।

ছ) মহৈশঙ খূদিংমক্কী চাউখৎনবগী থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ফেকল্টি লৌবা অমদি চাউখৎ-থৌরাং, শিনফমগী থূমাং চাওশিনবা, কূপথৎ-মেনথৎনবগী শীল্লাংবা (কম্পেন্সেশন মেনেজমেন্ট)।

## ৫. মপাঙ্গল হাপ্পবা থবক-থৌরম পান্নবা (গভর্নান্স) অমসুং মরোমদোম লেপচবা লূপ

**পান্দমঃ** মনীংতম্বা, তৌবা ঙম্বা অমসুং হৌন-শাজৎ থঙবা লূচিংবগা লোয়ননা মরোমদোম হিংজবা ঙম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিং লৈহনবা।

অৱাংবা থাক্কী মহৈ অমসুং খিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা শাগোন্নরবা লোনচৎতা খৌগংনবা মশক (ইন্টিলেকচুয়েল ফর্মেন্ট) অমা তঙাইফদে - মসিগী লোনচৎসি অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংগী শিল্লম-শিন্থা পান্নব (গভর্নান্স)না লেপ্পী।

ক) অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংসি মপূং ফাবা মহৈগী অমসুং মরোমদোম লেপচবা লৈঙাক্কী লূপ অমগা লোয়ননা **মনীংতম্বা লূপশিং**না চলাইগনি। লূপতু থনবা অমসুং হাপ্পদা, মকোক (চেয়র) অমসুং ভাইস চাঞ্চেলর/ডিরেক্টর (চিফ ইগজেক্যুটিব)না গভর্নমেন্ট য়াওনা মপালগী অয়েৎপা অমত্তা লৈহল্লোই হায়বসি তশেংহনগদবনি, অদুগা মহৈশঙ অদুগীদমক্তা ইচং থৌনা চোংথোক্লক্লবা য়াম্না মতীং লৈবা মীওইশিংবু লৌবা ঙমহনগনি।

খ) অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিং অসি **মরোমদোম লেপচবা, মনীং তম্না মশানা চলাইজবা লূপশিং** ওইরক্কনি অমসুং 'শাইদাংবা' (এফিলিএসন)গী চৎনবীসি মুথৎলগনি। 'শাইদাংলিবা কলেজ'শিং অসি মরোমদোম্না ডিগ্রী পীবা ঙম্বা কলেজ ওইহনবদা তেংবাঙগনি অমসুং 'শাইদাংলিবা তাইবংমহৈকোলশিং' অসিনা চঙ চঙ লাউবা হীরম কয়ামুক হাংবা মহৈশঙশিং ওল্লগনি।

গ) **প্রাইভেট অমসুং পব্লিক ইন্সটিট্যুশনশিং** অসি চৎন-পথাপকী লূপ্পা **মান্নবা মীৎয়েংদা** থমগনি। মহৈ-মশিংবু শেন্দাল লম্বী ওইবা মুথৎলগনি, অদুগা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবদা হেন্না পূক্নীং থৌগৎকনি।

ঘ) **মরোমদোম লেপচবসি মশাগী কাঙলোন্দা** দা মরা তাহনগনি - নাৎ, শকওং-শাবান অমসুং নৈন-কাঙলম (মেকানিজম)। ফেকল্টিগী লাইরিক-লাইশুগী ওইবা মনীংতম্বা ফংবা অমসুং তম্ন-হীরম (করিকুলম) শিং চৎনহনবা, অদুগা তাকপী-তম্বীবগী থৌওংশিং, মহৈরোয়শিংগী অমসুং খিজিন-হুমজিনবগী লম য়াওনা মসিদা মনীংতমহনগনি। মহৈশঙশিংদা শীল্লাংবগী অমদি লাইরিক-লাইশুগী মরোমদোম লেপচনবা মনীংতম্বা মশক লৈগনি। মসিদা থৌরমশিং হৌগৎপা অমসুং চলাইবা, তম্ন-হীরম (করিকুলম)শিং লেপথোকপা, মহৈরোয়গী মশীং লেপ্পা, তঙাইফদ্রবা মচাক-মথুমশিং লেপ্পা অমসুং নুংগী কাঙলোনশিং শেমগৎপগা লোয়ননা থবক-থৌরম পান্নবা (গভর্নান্স) অমসুং মীয়াম শীল্লাং কাঙলোন (পিপল মেনেজমেন্ট সিস্টেম) য়াওগনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংসি তশেং-তশেংনা মরোমদোম লেপচবা, মনীংতম্বা অমদি মশানা থৌশিনজবা লূপনা শেমগৎ-শাগৎকনি।

## ৬. চৎন-পথাপ কাঙলোনগী শাবান হোংদোকপা

**পান্দমঃ** অৱাংবা থাক্কী মহৈদা থোইদোক-হেন্দোকপা মশক অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা থনবা হায়বসিদা পূল্লীং থৌগৎনবা কান্ননীংঙাই ওইবা, মথৌ পাংঙম্বা অমদি থৌদাং চাউবা চৎন-পথাপ।

চৎন-পথাপসি অফবা শিল্লম-শিন্থা পান্নব (গর্ভনান্স)গা লোয়ননা মীয়ামগী থনবা, মীচং-মীথায় নাইদবা থোইদোক-হেন্দোকপা মশক, শেল-থুমগী তংদু লৈতাবা অমদি লৈবাক মচা তাবা ওইগদবনি।

ক) **ষ্টৈন্দর্দ সেট্টিং, শেলগী শেন্থং, এক্রিদিটেসন এণ্ড রিগুলেশন**গী মথৌশিং অসি তোঙান তোঙানগনি অমসুং মদু অঙম তান্নবা অমসুং মায়কৈ অনীগী য়ানদবা ৱাখল্লোন লৌথোক্তুনা **মনীংতম্বা লূপশিং**না চলাইগনি।

খ) **নেশনেল হাইয়র এজুকেশন রিগুলেটরি ওথোরিটি**খক্তনা শিনফমগী মহৈ য়াওনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ পূন্নমক চাং নাইহনবা লূপ ওইহনগনি। হৌজিক লৈরিবা চাং নাইহল্লিবা লূপ খূদিংমক প্রোফেশনেল ষ্টৈন্দর্দ সেট্টিং বোডিশিংদা ওন্থোক্কনি।

গ) হৌজিক্কী য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কমিশন  অসি হাইয়র এজুকেশন গ্রান্টস কাউন্সিল ওইনা ওন্থোক্লগনি।

ঘ) জেনেরেল এজুকেশন কাউন্সিল লিংখৎলগনি, অদুগা মসিনা ‘গ্রেজুয়েট এট্রিব্যুটস’পু শক্তাক্লবগীদমক্তা নেশনেল হাইয়র এজুকেশন ক্কালিফিকেশন্স ফ্রেমৱর্ক শেমগৎ-শাগৎকনি। মদু অৱাংবা থাক্কী মহৈগী 'থৌরাংনা ঙাইনরিবা তম্বীবগী মহয়' ওই।

ঙ) **মরুগী ওইবা লমওন-লমজৈ (বেসিক পেরামিটর)শিংগী এক্রিডিটেশন অসিনা চৎন-পথাপতুগী য়ূম্ফম শেমগনি।** নেশনেল এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রিডিটেশন কাউন্সিলনা চৎন-য়ানরবা মহৈশঙশিংগী অকোয়বগী থল অমা শেমগৎ-শাগৎকনি অমসুং মসিনা থৌওংশিংদু য়েংশিনগনি।

চ) **পব্লিক অমসুং প্রাইভেটকী অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংগী অমত্তা ওইবা চৎনহল্লিবা লূপ** অমা লৈগনি। লনাইগী ওইবা মীয়ামগী য়াইফনবা থনবা থৌরাংবু পূল্লীং থৌগৎকনি।

ছ) ষ্টেট ডিপার্টমেন্টস ওফ হাইয়র এজুকেশন্না থৌশিলগী থাক্তা য়াওশিনগনি; ষ্টেট কাউন্সিলস ওফ হাইয়র এজুকেশন্না অমগা অমগগী তেংবাঙ অমসুং খ্বাইদগী হেন্না ফগৎকদবা থৌওংদু লায়না ফংহনগনি।

# ওজাগী মহৈ

## ১. চপ-চানা ওজা শেম-শাবা

**পান্দমঃ** ওজাগী ওইবা মহৈ-মশিংগী পরিং-পথাপ্পু তোঙান-তোঙানবা হীরম হাংলিবা কলেজশিং, তাইবংমহৈকোলশিংদা পানশিল্লগা অমদি চহী মরিগী ইন্টিগ্রেটিদ বেচলর্স ডিগ্রীনা স্কুল ওজা পূন্নমক্কী থ্বাইদগী নেম্বা মহৈগী থাক ওইনা লৌরগা, মচাক (কন্টেন্ট), তাকপী-তম্বীবগী পরিং-পথাপ (পেডাগোজি) অমসুং হোৎন-হকশেল (প্রাক্তিস)দা থ্বাইদগী থাক ৱাংবা ট্রেনিং অদু ওজাশিংদা পীবা ঙমহনসি।

তম্বীবা হায়বসি হৌন-লীচৎকী অমসুং পূক্নীং-লৌশিংগী ওইনা পান্নবা শিনফম অমনি। অনৌবা ওজাশিংদি চপ-চানা শেম-শাবা অমা তঙাইফদে অদুগা চথরক্লিবা ওজাশিংনা লিশাং-শিংনা শিনফম চাওথৎহনবা, লাইরিক-লাইশুগী মরীদা অমসুং শিনফম শৌগৎপা অসি তঙাইফদে।

ক) ওজা শেম-শানবা **চহী-৪গী ইন্টিগ্রেটিদ বেচলর ওফ এজুকেশন** অসি তোঙান-তোঙানবা হীরম হাংলিবা মহৈশঙশিংদা গ্রেজুয়েটকী মখাদা লৈবা তম্নবা থৌরম অমা ওইনা পীগনি অদুগা মসিদা অকক্লবা হীরমগী ওইবা অমসুং ওজা শেম-শাবা অনীমকসু য়াওরি। হায়রিবা থোঙথাংসিদা অকক্ল-থাক, অকক্ল-হীরমগী থৌরম অমা য়াওগনি অদুগা মসিনা কলা অমসুং শান্ন-খোৎনবা অমদি শিনফমগী ওইবা মহৈ নৎত্রগা তোপ-তোপ্পা মহৈ-মশিংদা মীৎয়েং থম্বা মখল অমা য়াওনা, প্রি-স্কুলদগী সেকেণ্ডরি থাক (ক্লাস ১২) ফাওবদা ওজাশিংবু হীরম পূন্নমক শুনা শেম-শাহনগনি।

খ) চহী-৪ গী বি.এড. ডিগ্রী অসি অতোপ্পা অন্দরগ্রেজুয়েট ডিগ্রীগা থাক মান্ননা লৌগনি অদুগা চহী-৪ গী বি.এড. ফংলবা মহৈরোয়শিংদি মাষ্টরগী ডিগ্রী থৌরম পায়থৎপদা মতীক চারে।

গ) হৌজিক চৎনরিবা চহী-অনীগী বি.এড থৌরম অসি ২০৩০ ফাওবা চত্থিগনি। ২০৩০ গী মতুংদা, চহী-৪গী ওজাগী মহৈ-থৌরম হাংবা মহৈশঙশিং অদুখক্তংনা চহী-২গী থৌরম অদুম্মক চত্থগনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি গ্রেজুয়েট ডিগ্রী পায়বশিংদা ফংহনগনি।

ঘ) থবক ফংদ্রিঙৈ মমাংগী ওজা শেম-শাবা থৌরম মখল অমত্তা ২০৩০গী মতুংদা পীবা লৈরোই।

ঙ) ওজাগী মহৈ অসি **তোঙান-তোঙানবা হীরম হাংলিবা মহৈশঙশিং**না পীগনি। থবক ফংদ্রিঙৈ মমাংগী ওজা শেম-শাবা অফবা মখলসিনা তঙাইফদনা চঙলিবসি তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা অরিংবা থীওরি-প্রাক্তিস মরী শম্নহল্লগা লাইরিক-লাইশুগী মীৎয়েংদা, তম্নবা হীরমদা অমসুং তাকপী-তম্বীবগী পরিং-পথাপ্তা চপ-চানা থীওরিগী মতাং খঙবদা হৈথোই-শিংথোইবা অদুনি - মসিনা লাইরিক-লাইশুগী মরুওইবা হীরমশিংগী মতাং অমসুং স্কুলশিং ফাওন-মরী থম্বগা লোয়নননা স্কুলগী অতোপ্পা হীরম (সবজেক্ট)শিংদা হৈ-শিংলবা মীওই ময়াম অমা ফংহল্লি।

চ) থাক-নেম্বা অমসুং **মথৌ নীংথিনা তৌদ্রবা শোইরোম্লবা** ওজাগী মহৈশঙশিং **মুত্থৎকনি**।

# মশিনগী মহৈ

## ১. মশিনগী মহৈবু অৰাংবা থাক্কী মহৈদা হন্না পূনশিনবা, মশিনগী মহৈবু অমুক হিঙ্গৎহনবা

**পান্দমঃ** থ্বাইদগী ৰাংবা শিনফমগী লৈরিবা মঙমশিং অদুগী মথক্তা, মতীক-চারবশিং অমসুং ২১শুবা চহী-চাগী হৈ-শিংবশিং, মীওই-থুন্নাইগী ৰাফম অমসুং কল্লবা হৌন-লীচৎপু থিন্দুনা তাক্লিবা নাপচৈ (কম্পাস) অদু থঙমিন্নবা কয়াসি পাংথোকপা ঙমহন্দুনা শীনফমগী মতাংদা শেম-শানবা মপূম ওইবা খোঙজং (হোলিষ্টিক অপ্রোচ) অমা শেমগৎ-শাগৎপনি।

শিনফমগী মরীদা শেম-শাবা অসিনা মীয়ামগী তঙাইফদবদা মরুওইবা অমসুং হৌন-লীচৎকী মতাংদা মহৈ পীগদবনি - মসি ওইহন্নবগীদমক, মহৈ হায়বসি অতোপ্পা মরুওইবা ৰাফম অমগী নাইতোম তাবা মওংদা থক পীরোইদবনি।

ক) মশিনগী মহৈ অসি **পাক-খোন্না লৈরিবা অৰাংবা থাক্কী মহৈগী চৎন-পথাপকী মনুং চল্লিবা শরুক অমনি**। হায়রিবা হীরমসিদা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমদা, মরোমদোম লেপচরিবা শিনশু তাইবংমহৈকোল (টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি)শিং, হকশেল কাঙলোনগী তাইবংমহৈকোল (হেল্থ সাইন্স য়ুনিভর্সিটি)শিং, আইন (লিগেল) অমসুং লৌউ-শিংউগী তাইবংমহৈকোলশিং নৎত্রগা মহৈশঙশিং অসি লিংথৎপগী চৎনবীদু মথা তানা চত্থহল্লোই। মশিনগী নৎত্রগা ময়ামগী ওইবা মহৈ তমহল্লিবা মহৈশঙশিংসি ২০৩০ দদি খেন্নবা ফিবান থায়দনা অনীমক তমহনবা মহৈশঙশিংদা শরুক অমা ওইনা য়াওশিনগদবনি।

খ) **লৌউ-শিংউগী মহৈ** অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা নৌহৌননা মীৎয়েং থমগনি। লৌউ-শিংউগী তাইবংমহৈকোলশিং অসি লৈবাকসিগী লৈরিবা তাইবংমহৈকোল পূম্নমক্কী মনুংদা চাউরাক্না ৯% ওই, অৰাংবা থাক্কী মহৈদা মিং চল্লকপা অপূনবদুগী ১% দগী লৌউ-শিংউগী অমসুং মরী লৈনবা সাইন্সতা মিং চল্লকপা মশীংনা হন্থে। শিনশু (টেক্নোলোজি) অমসুং হোৎন-হকশেল (প্রাক্তিস) ওইনা চত্থরিবা কয়াদা মরী লৈনবা হেন্না ফবা হৈ-শিংলবা গ্রেজুয়েট অমসুং টেক্নিসিয়নশিং, অনৌবা ইথিল পীনা থিজিন-হুমজিনবা অমসুং কৈথেলদা য়োনবগী মতাংদা য়ূম্ফম ওইবা এক্সটেন্সন কয়াগী মতেংনা লৌউ-শিংউ অমসুং মরী লৈনবা হীরমশিংগী তৌবা ঙম্বা মতীক অমসুং মঙলগী থাক অনীমকসি লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেঙ্গৎহন্নবা হোৎনবদা হেন্না ফগৎনবা হোৎনগদবনি। ময়ামগী ওইবা মহৈ (জেনেরেল এজুকেশন) গা ইরোয়নবা থৌরমশিংগী মতেংনা ফংহনবা লৌউ-শিংউ অমসুং ভেটিনরি সাইন্সতা মশিন পীনবগী শেম-শানবা **মতীক-মঙমদু** ময়েক-শেংনা হেঙ্গৎহনগদবনি। অমরোমদা হন্থরক্লিবা লম-পোত্থোক, ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম, মীশীং হেঙ্গৎলক্লিবসিগী মতুং ইন্না চীঞ্জাক মরাং কায়বা অসিনচিংবা অহকপা ৰাফমশিংসি থঙন-উনা লৈরিঙৈদা, মশাগী মরৈকায়গী লৌশিং, চৎনবী লৌশিং অমসুং মতম-মতমগী খোক্লক্লিবা শিনশু (টেক্নোলোজি)শিং অসিবু শীজিন্নবা অমসুং নীংথিজনা থঙবা ঙম্নবা মতীক-ময়াই চেল্লবা শীনফমলোয়শিংবু মপুং-মরৈ ফানবা লৌই-শিংউ মহৈগী অপূনবা লাকশিন-শক্তম (ডিজাইন) অসি হোংদোক্কনি। লৌউ-শিংউগী মহৈ পীরিবা মহৈলোয়শঙশিংনা **লৈকায়গী ফূরুপ্পু হকথেংননা কান্নবা ফংহনগদবনি**; খোঙজং অমা

পল্লবদা, শিনশু (টেক্নোলোজি)বু চূননা শীল্লাংনবা (ইনক্যুবেশন) অমদি পাক-খোন্না শন্দোক্লবা (দিসসেম্যুনেশন) লৌউ-শিংউগী টেক্নোলোজি পার্কশিং লিংখৎকদবনি।

গ) **আইনগী মহৈ** থৌরমশিংগী শাবান নৌহৌননা শেমদোক্কনি। খ্বাইদগী ফবা হোৎন-হকশেল (প্রাক্তিস)শিং য়োকখত্নুা অমদি ৱায়েলদা পাক-চাউনা ফাওননবা অমসুং মতম চানা ৱায়েল পীনবা অনৌবা শিনশু কোনশিন্দুনা আইনগী ওইবা মশিন মহৈসি মালেমগী থাক্তা চাংদম্নগদবনি। অমরোমদা মসিগা চপ-মান্ননা, ৱায়েলগী, খুন্নাইগী, শেল-থুমগী, অমসুং লৈঙাক্কী (পোলিটিকেল) ওইবা কন্সটিট্যুশনেল ভেল্যুশিংগা লোয়ননা মমল লৈনা থঙহন-উহনগনি অমদি ডিমোক্রেসিগী ইন্সট্রুমেন্টেশন, আইন অমসুং মীওইবগী হকশিংগী পথাপকী পান্বৈনা লৈবাকসিবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা খোঙজংলোমদা পূক্নীং থিংজিন্নবা থঙহনগনি। **আইন-ষ্টডিগী তম্ন-হীরমশিং (করিকুলম)** অদুনা খুন্নাই-নাৎকী ৱাফম মমি তাহনগদবনি, মদুগা ইরোয়ননা, খূদম-চাংদমদা য়ুম্ফম ওইরগা, আইনগী ৱাখল্লোনগী পুৱারী, ৱায়েলগী পথাপ-পরিংশিং, ৱায়েল-চুক্লি চৎন-কাঙলোন (জুরিসপ্রুডেন্স) চত্থরিবশিং অমদি অতোপ্পা চূননা অমসুং মতীক-চানা মরী লৈনবা মচাকশিংসু ফোংদোক্কদবনি।

আইনগী মহৈ পীরিবা ষ্টেট মহৈলোয়শঙশিংনা তুংগী উকিলশিং অমসুং ৱায়েল্লোয়শিংগীদমক **লোল অনী ঙাঙবা মহৈ পীননবা** খনগদবনি - ইংরাজী নৎত্রগা আইন থৌরম পাংথোক্লিবা ষ্টেট অদুগী লোল। মসিনা লোল-হন্দোক্লবগী তঙাইফদনা চঙলিবা অরোইবা আইনগী পোথোক পুথোকপদা থীন্থরিবদু কোকহন্নবা ওই।

ঘ) **হকশেল চেকশিল-থৌৱাং মহৈ (হেল্থকেয়র এজুকেশন)** অমুক হন্না কূপ্না য়েংশিনগনি অদুগা মসিনা মহৈ থৌরমশিংগী লাকশিন-শক্তম, শাবান অমসুং অচংবা মতম কয়াসি মীয়াম্না মথৌ-তানা পাংথোক্লিবা থৌদাংশিংদুগা হেক চূনবা মওংদা ওইহনগনি। খূদম ওইনা, হকশেল চেকশিল-থৌৱাংগী খোঙজং/অথিংবদা (খূদম ওইনা, ইসিজি লৌবা/য়েংবা) থোইদোক্লা মহৈগী থাক য়াম্না ৱাংবা দাক্তরগী মথৌ তাদে। **এম.বি.বি.এস. গ্রেজুয়েট পূন্নমক্না** চেনগদবনিঃ (i) মেডিকেলগী হৈ-শিংবা (ii) ডাইএগোনোষ্টিক্কী হৈ-শিংবা (iii) সর্জিকেলগী হৈ-শিংবা অমসুং খূদক-খূদক্কী হৈ-শিংবা। প্রাইমরী চেকশিন-থৌৱাং অমসুং সেকেণ্ডরি হোস্পিটালশিংদা থবক তৌনবগী মরমদা চঙলিবা হৈ-শিংবা মশক অদুগীদমক ইহান-হান্না নীংথিজনা শেল্লবা লমওন-নাপচৈদুদা মহৈরোয়শিংবু চাং নাইনা মশাগী অরেপ্পা মমলশিংদু লেপহনগনি। এম.বি.বি.এস. কোর্সকী **অহানবা চহী নৎত্রগা অনীমদি সাইন্স গ্রেজুয়েট পূন্নমক্কী কমন পেরিয়ড** অমা ওইনা মখোয়না এম.বি.বি.এস., বি.ডি.এস., নর্সিং নৎত্রগা অতোপ্পা অকক্ল-হীরম (স্পেসিয়েলাইজেশন) লৌরবা মতুংদা শেম-শাগনি। নর্সিং, ডেন্টলগুম্বা অতোপ্পা মেডিকেল হীরমশিংদগী লাকপা গ্রেজুয়েটশিংসু এম.বি.বি.এস. কোর্সতা অতোপ্পা নাকল অমদা মিং চনবা য়াহনগনিঃ মেডিকেলগী মহৈ থাক্কী লেংলিবা উচন (ফ্রেমৱার্ক)না মসিবু খূদোংচাবা ফংহনগনি। **নর্সিং মহৈগী থাক** ফগৎহনগনি; নর্সিংগী জাতিগী ময়াম্না য়ানরবা লূপ (নেশনেল এক্রিডিটেশন বোডি) অমদি অতোপ্পা হীরম মচাশিং শেমগৎকনি। ঐখোয়গী মীয়াম্না **হকশেল চেকশিন-থৌৱাংদা মথল কয়াগী অপান্বা থল্লি** হায়না লৌরগা, ঐখোয়গী হকশেল চেকশিন-থৌৱাং মহৈগী চৎন-কাঙলোনসি লোইনা পূনশিনবা মশক ওইগদবনি - মসিনা হায়রিবদি, শন্দোক্লা তাক্লবদা, এল্লোপেথিক

মেডিকেল এজুকেশনগী মহৈরোয়শিংনা অয়ুর্বেডা, য়োগ অমসুং নেচরোপেথি, য়ুনানি, সিদ্ধা অমসুং হোমিওপেথি (আয়ুশ) অমসুং মসিদগী হৌরগা অমুক হঙ্গৎনা, হায়রিবশিং অসিগী মচং ওইবা লৌশিংদু লৈগদবনি। হকশেল চেকশিল-থৌরাংগী মহৈ পূন্নমক্তা **হকশেল চেকশিল-থৌরাং ঙাকথোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং ফূরুপকী মেডিসিন**গী মতাংদা য়াম্না হকচিনবা মীৎয়েংসু থমগনি।

ঙ) **শিনশু মহৈ (টেক্নিকেল এজুকেশন)**না অকক্লবা খূদোংথিবা কয়া মায়োক্লরি মরমদি হায়রিবা হীরমশিং অসি লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইবা নৎত্রগা হৈ-শিংবদা য়ূম্ফম ওইবা নত্তবনা। মথা তানা, মীওইবনা হোৎনজবা খোঙথাং খূদিংমক্তা শিনশুনা পীবা ইথিলনা হেঙ্গৎলকপনা, শিনশু মহৈ অমসুং অতোপ্পা হীরমশিংগী মরক্তা চপতুনা লৈরিবা সিলিন্দরশিংসি চাথৎলক্কদৌরে। মাঙজিল থানা চঙশিল্লবদা, হায়রিবা সেক্তরশিংসিনা ডিকেদ কয়াদা মহৈগী থাক্তা ফজনা মতীক চারবা মীওইশিংবু পান্বতং নত্তনা অনৌবা ৱাথল্লোন পীবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা পূক্নীং থিংজিলহন্নবা ইন্দষ্ট্রি অমসুং মহৈলোয়শঙশিং অনীগী মরক্তা য়াম্না নকশিন্ননা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা অদুসু ওইরক্কনি। হোংলক্লিবা খুন্নাইগী শেল-থুম অমসুং অকোয়বগী ফিভমশিংবু খঙন-উনা, হৌজিক হৌজিক্কী অমসুং তুংগী হোৎন-হকশেল (প্রাক্তিস)শিং শেম-শারবা, অমসুং ফাওগৎলক্লিবা সাইন্স অমসুং  শিনশু (টেক্নোলোজি) বু নীংথিজনা শীজিন্নবা ঙম্বা শিনফমলোয়শিং শেম-শানবা **ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং টেক্নোলোজি থৌরমশিং ইনৌ-নৌনা শেমদোক-শাদোক্কনি।** মশিনগী ওইবদা মফম ৱায়োং চাদবশিং অমসুং লীচৎ-শাজৎশিংবু তোয়না তোয়না তাকপী-তম্বীদুনা, অমদি তোঙান-তোঙানবা, কয়া তোয়নদি খঙদবা, ফিভম-কায়দাশিংদা মথোয় মশাগী লৌশিং অমসুং হৈ-শিংবদু উথোক্তুনা শরুক য়াজবদা মহৈরোয়শিংনা মপুং-মরৈ ফাবা ঙমজনবা **তম্ন-হীরম (করিকুলম) নৌহৌননা শেমদোক্কনি।** অনৌবা অমসুং **মতম-মতমগী ফাওগৎলক্লিবা হীরমশিংদা** অপাম-লাং থাক্লিবা কয়া লৈ, খূদম ওইনা, অর্টিফিসল ইন্টিলিজন্স, অচৌবা অখোম-ৱারোল (ডেটা) নৈনবা, অসিনচিংবা।

মহৈশঙশিংগী এক্রিডিটেসন/রেঙ্কিংনা ইন্দষ্ট্রিশিংগা **পূক্নীং-থৌগৎন-মনা (ইন্সেন্টিব) পীরগা** পূন্না চৎমিন্নবগী ফজবা মশক, ইন্দষ্ট্রিগী হৈথোই-শিংথোইরবা ফেকল্টি, ইন্টর্নসিপকী খূদোংচাববু হেঙ্গৎহনবা, অসিনচিংবা কয়াসি পূক্নীং থৌগৎকনি।

# জাতিগী থিজিন-হুমজিনবা লূপ

## ১. থাক ৱাংবা লাইরিক-লাইশু (একাডেমিক)কী থিজিন-হুমজিনববু য়াঙশিনহনবা

**পান্দমঃ** লৈবাকসিগী মনুংদা লৈরিবা লাইরিক-লাইশুগী হীরম পূন্নমকপু য়াঙশিনহল্লু অমসুং মথৌ-মঙম হাপ্পু, তাইবংমহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিংদা থিজিন-হুমজিনবগী মরু হুনবদা মীৎয়েং থমদুনা - অমুক হন্না মীৎয়েং চঙলবা শেন্থং (ফণ্ডিং), কূপ্পা পান্নবীবা তন্বীরোয় ওইবা (মেন্টরিং) অমসুং লায়থোক-খোত্তোকহনবা (ফেসিলিটেশন) কয়াগী পান্বৈনা থিজিন-হুমজিনবগী মতাংদা তেংবাঙনীংঙাই ওইবা মহৌশাগী থল (ইকোসিস্টেম) অমা শোয়দনা শেমগৎলু।

থিজিন-হুমজিনবা অমসুং অনৌবা ৱাখল্লোন পীবা মশক হায়বসি চাউরবা অমসুং মফম পূন্নমক্তা শীন-থুংলিবা (ভাইব্রন্ট) শেন্মীৎলোনবু চাওখৎহনবা অমসুং ঙাক্তুনা পুবদা, অমদি লৈবাক অমবু অৱাংবা মতোল য়ৌনবা পূক্নীং থৌগৎপদা য়াম্না মরুওই। ঙসিগী মালেমদা শাফু কন্না হোংলিবা মশকশিং- ঈশিং-নুংশিৎ, শিনশু, মীশীং লেপ্তবগী মশক কয়া অমা, হায়রিবশিং অসিনা মহৌশাদগী হেন্না মরুওইবা য়াম্না থীং-থীং লাউবা থিজিন-হুমজিনবগী চৎন-কাঙলোন্দু শেমগৎলি।

ক) লৈবাক্কী থিজিন-হুমজিনবা লূপ (নেশনেল রিসর্স ফাউণ্ডেশন) অসি পার্লিয়ামেন্টকী এক্ট অমগী পান্বৈদগী ভারত সরকারগী মরোমদোম লেপচবা কাঙবু অমা ওইনা লিংখৎকনি। লূপা ২০,০০০ ক্রোর (~জিডিপিগী ০.১%) গী চহীগী শেন্থং অমা পীগনি; থাক ৱাংনা থিজিন-হুমজিনবা অদুগীদমক লৈবাক্কী তৌবা ঙম্বা মঙমদু চাউখৎহন্দুনা, হায়রিবা শেন্থংসি মথংগী চহী তরাদদি লেপ্তনা হেঙ্গৎকনি।

খ) লিংখৎলিবা লূপ অসিগী মরুওইবা থবক্কী পান্দমদা মথাগীশিংসি মনুং চল্লিঃ

- হান্না মীৎয়েং চঙবদা য়ূম্ফম ওইবা থোঙথাং (পীয়র-রিভিয়ু বেজ প্রোসেস, অমগা লোয়ননা লাইরিক-লাইশুগী পাক-খোল্লবা লমশিংগী হীরম পূন্নমক্তা শেন্থং থাদবগী থিজিন-হুমজিনবা
- লৈবাক শীন-থুংনা লাইরিক-লাইশুগী মহৈশঙশিংদা থিজিন-হুমজিনবগী মঙম শেমগৎ-শাগৎপা
- ফোং ফোং শারিবা লৈবাক্কী ৱাফমশিংবু থিজিন-হুমজিন্নবা অমদি খ্বাইদগী নৌনা থিজিন-হুমজিনবদগী ফংলকপা ৱাখল্লোন্দু মীয়ামগী ফনবগীদমক থবক ওইনা ওন্থোকহন্নবা থিজিল্লোয়শিং, লৈঙাক অমসুং ইন্দষ্ট্রিশিংগী মরক্তা কান্ননীংঙাই ফংবা মরীশিং অদু শেমগৎ-শাগৎপা
- থোইদোক-হেন্দোকপা মনা অমসুং সেমিনারগী মতেংনা তোপ-তোপ্পা মশক-নাইরবা থিজিন-হুমজিনবদু মশক থঙবীবা

গ) লিংখৎলিবা লূপ অসিগী থবক ওইনা হৌনবা চাউরবা শরুক (মেজর ডিভিজন) মরি লৈগনি- সাইন্স, শিনশু, খুন্নাই নৈন-কাঙলোন (সোসিয়ল সাইন্স) অমসুং কলা অমসুং মীওই-তাইবং (আর্টস অমসুং হ্যুমেনিটি)।

# অহেনবা মরুওইবা মীৎয়েং থম্লিবা হীরমশিং

## ১. শিনশু মহৈ (টেক্নোলোজি এজুকেশন)

**পান্দমঃ** মহৈগী থাক পূম্নমক্তা শিনশু চান্ন-চান্ননা পূনশিনবা - ওজা শেম-শাবা অমসুং চাওখৎহনবদা তেংবাঙবা, তম্বীবা, তম্বা অমসুং ইভালুয়েশনগী খোঙথাংশিং অসি ফগৎহনগদবা; চাওখৎ-খোঙথাং থীন্থরবা কাঙলূপ্তা মহৈ পীনবগী লম্বী ফগৎহনবা; অমদি মহৈগী থৌশিল-থৌরাংবা (প্লান্নিং), থবক-থনা পান্নবা (এডমিনিষ্ট্রেশন) অমসুং শীল্লাংবা (মেনেজমেন্ট) কয়াসি পরিং নাইনা য়াথোকহনবা।

মহৈগী থাক পূম্নমক্তা শিনশু চান্ন-চূননা পূনশিন্নবদু থৌশিল অসিনা থঙননবা হোৎনৈঃ i) তম্বীবা, তম্বা অমসুং ইভালুয়েশনগী খোঙথাংশিং ফগৎহনবা; ii) ওজাশিং শেম-শাবা অমসুং মখোয়গী লিশাং-শিংনা চত্থরক্লিবা শিনফম মরীদা চাউখৎপদু শৌগৎপা; iii) চাউখৎ-খোঙথাং থীন্থরবা কাঙলূপ্তা মহৈ পীনবগী লম্বী ফগৎহনবা অমসুং iv) থবক-থনা পান্নবা (এডমিনিষ্ট্রেশন) অমসুং শীল্লাংবা (মেনেজমেন্ট) কয়াসি পরিং নাইনা য়াথোকপা।

ক) খ্বাইদগী নৌবা লৌশিং, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং খ্বাইদগী ফবা মথৌদাংশিং অসি অমগা অমগা তান্নরগা পাংথোকমিন্ননবা লৈরিবা খূদোংচাবা অদু মহৈগীশঙশিং, ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট, অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগী লূচিংবদা পীদুনা, **লৈবাক্কী মহৈগী টেক্নোলোজি ফোরম**, মরোমদোম চলাইবা লূপ অসি ৱাহৌদোক (ইগুস্বন), শিন্থা শিন্দোকপা (ডিপ্লোয়মেন্ট), অমসুং শিনশু শীজিন্নবদা ৱারেপ লেপ্পবগীদমক লিংখৎকনি।

খ) মহৈগী খোঙজংশিংদা শিনশু পূনশিনবগী থবক অসি (খূদম ওইনা, লোল-হন্দোকপবু ঙাক্লৌ পীবা, তাকপী-তম্বীবগী পরিং-পথাপ (পেডাগোজিকেল)কী তেংবাঙ তৌবা, লিশাং-শিংনা চত্থরক্লিবা শিনফমগী চাওখৎ-খোঙথাংবু খূদোংচাহনবা, ওনলাইন কোর্সেস, অসিনচিংবা) ডিজিটেল লণগৈশিং (রিপোজিটরি), শিনশু, মতীক-চাবা ঙাক্লৌ অমসুং থিজিন-হুমজিন্দুনা শীজিন্নবগী ওজা শেম-শাবা কয়াসিগী মতেংনা থম থেংনা শীজিন্নগনি। মহৈ শিনশু (এজুকেশন টেক্নোলোজি)দা খ্বাইদগী ৱাংথোইরবা ময়ায়শঙ (সেন্টর ওফ এক্সলেন্স) অসি থিজিন-হুমজিনবা অমসুং শিনশু শীজিন্ননবগী তেংবাঙ চত্থনবা লিংখৎকনি।

গ) মহৈগী অথোম-ৱারোল (ডেটা)গী জাতিগী লণগৈ (রিপোজিটোরি)না মহৈশঙশিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগা মরী লৈনবা চেজন পূম্নমক ডিজিটেল মওংদা থমগনি।

## ১. শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন)

**পান্দমঃ** শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজিকেশন)বু মহৈগী লোয়শঙশিং - স্কুলশিং, কলেজশিং অমসুং তাইবংমহৈকোলশিংদা পূনশিল্লু। ২০২৫ দা তল্লিবা মহৈরোয় পূম্নমক্কী য়ামদ্রবদা ৫০% দি শিন্নাই মহৈ ফংহল্লু।

ভারতকী মীশিংদা য়েন্নগদৌবা অপূনবা মশীংগী চাং (ডিমোগ্রাফিক ডিভিডেন্দ) অদু খঙদোক্লবা, ২০২৫ দা অৱাংবা থাক্কী মহৈ চৎন-কাঙলোন অমসুং স্কুলগী মতেংশিংনা তল্লিবা মহৈরোয়গী য়ামদ্রবদা ৫০%গী মরক্তা হৈগৎ-শিংগৎনবা অমসুং লৌশিং ফংনবগী পান্দম অমা থৌশিল অসিনা য়াৎলি।

ক) শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন) অসি মথংগী চহী তরাদা তাঙ্কক নাইবা মওংদা **মহৈশঙ পূম্নমক্তা পূনশিনহল্লগনি।** মীৎয়েং থল্লিবা হীরমশিংদি - হৈ-শিংবা ৱাৎপগী নৈনবা অমসুং লৈকায়গী ওইবা খূদোংচাবশিং চান্নহনবগী ফিভমদা য়ূম্ফম ওইরগা লেপকনি। শিনশু মহৈ (টেক্নিকেল এজুকেশন) অমসুং শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন) অসি হীরম অমসু অমসু ফংহনবা হীরম অমসু অমসু ফংহনবা ময়ামগী ওইবা মহৈ (লিবরেল এজুকেশন)গী অচৌবা মঙলানগী শরুক অমা ওইগনি। শিন্নাই মহৈ পূনশিন্নবগীদমক নেশনেল কমিটিনা হোৎনরিবদু কূপ্না পান্নগনি।

খ) মসিগী ফাওন-চৈরক (ট্রাঞ্জিশন) অসি মহৈশঙশিং অমসুং শিনশুগী মহৈশঙশিং অনীগী মরক্তা পূন্না চৎমিন্নদুনা, অমদি **পুল্লপ-পূনশিনমিন্নন**বগী অতোপ্পা শেন্থং অমগী মতেংনা খূদোংচাহনগনি।

গ) **জাতিগী হৈ-শিংবা অৱাংবা থাক্কী উচন (নেশনেল স্কিলস ক্বালিফিকেশন ফ্রেমৱার্ক)** অসি হীরমশিং/ভোকেশনশিং/শিনফমশিং খূদিংমক্কী মরমদা শুগায়না তাক্লকখিগনি। মতুং তারকপদা, ভারতকী লেপ্পরিবা মচাং (ষ্টেণ্ডর্ড) অসি মালেমগী শিন্মী লূপ (ইন্টরনেশনেল লেবর ওর্গনাইজেশন) না পান্নরিবা অদুগুম্বা শীনফমশিংগী ওইবা মালেমগী মচাং মশক খায়দোকপ (ইন্টরনেশনেল ষ্টেণ্ডর্ড ক্লাসিফিকেশন ওফ ওক্যুপেশন্স)গা চাংদা মান্ননা খায়গনি। উচন অসিনা মাঙজৌনা তম্নবা শকখঙ-ৱারোল (রিকগনিশন ওফ প্রাইয়র লর্নিং)গী য়ূম্ফম থোনগনি। মসিগী মতেংনা, তম্নরিবা মচৎ-মওং (ফোর্মেল সিষ্টেম)দগী নাথেখ্রবা কয়াশিং (ড্রোপআউট)বু উচন (ফ্রেমৱার্ক)দুদা য়াওরিবা মরী লৈনবা থাক্তা লৈবা মখোয়গী হোৎন-হকশেলগী লৌশিংগা মপা চান্ননা শীন্দুনা পূনশিনহনগনি। উচনসিনা জেনেরেল অমসুং শিন্নাই মহৈগী মরক্তা ফাওনবা থৌওং অদুসু খূদোংচাহনগনি।

ঘ) **অন্দরগ্রেজুয়েট থাক্তা** পীবা শিন্নাই মহৈ (ভোকেশনেল এজুকেশন) অসি **২০৩০-৩৫ তা** ৫০% মিং চনবগী চাংদা পুখৎলগনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংনা মরম্নাই ওইনা নৎত্রগা ইণ্ডষ্ট্রিগা শরুক য়ামিন্নরগা শিন্নাই মহৈ পীবা য়াই।

ই) শিন্নাই মহৈ পীবগী **মওং (মোডেল) শিং,** অমসুং মশিন তল্লিবা মওং (অপ্রেন্টিসশিপ) অদু অৱাংবা থাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা চাংয়েং ওইনা তৌবসু য়াই। শীল্লাংদুনা পান্নবা ময়ায়-লোয়শঙ (ইনক্যুবেশন সেন্টর)শিং ইওস্ট্রিশিংগা শরুক য়ামিন্নরগা অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিংদা লিংখৎকনি।

**‘লোকবিদ্যা’**, ভারত্তা য়োকখৎলকপা লৌশিং, শিন্নাই মহৈগী তম্ন-হীরম (কোর্স)শিংদা য়াওহন্দুনা মহৈরোয়শিংদা য়ৌহনগনি।

## ১. অহলগী মহৈ (এডল্ট এজুকেশন)

**পান্দমঃ** ২০৩০ দদি নহারোল অমসুং অহল্লোনগী ময়েক-চৎপগী চাং (লিটরেসি রেট) ১০০% ফংহল্লু, অদুগা অহলদা পীরিবা, লিশাং-শিংনা চত্থরক্লিবা মহৈগী থৌরমশিংদু মরুওইনা পাকথোক-চাউথোকহল্লু।

লাইরিক-ময়েক চৎপা অমসুং মরু (বেসিক)গী মহৈনা মরন্নাই ৱাফম, নাগরিক ওইবা, শেন্মীৎলোন পান্নবা অমসুং পূন্সি চূপ্পা তম্বগী থূদোংচাবা কয়াদা শরুক য়াবা ঙমহল্লি। অদুম ওইনমক, নহারোল অমসুং অহল্লোনশিংগী লৌবা য়াদবা শরুক অমদি হৌজিকসু লাইরিক ময়েক-চত্তবা ওইনা লৈরি।

ক) অহলগী মহৈ (এডল্ট এজুকেশন)গীদমক জাতিগী তাক্ল-হীরম উচন (নেশনেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক) অমনা পাক-চাউবা হীরম মঙা কোনগনি- মথোংগী হৌগৎলকপা ময়েক অমসুং মশীং চৎপা (ফাউন্দেশনেল লিটরেসি এন্দ ন্যুমরেসি), থম-থেংনা লুবা পূন্সিগী হৈ-শিংবা, অকক্নবা মশিনগী হৈ-শিংবা, মরুগী ওইবা মহৈ অমসুং লিশাং-শিংনা চত্থরক্লিবা মহৈ। মপী লাইরিকশিং অমসুং তম্নবা মচাকশিং, ৱারেপ্পবা (এসেসমেন্ট) অমসুং সর্টিফিকেট পীনবগী চাংদম-নাপচৈ (ক্রাইটরিয়া) অদু উচন (ফ্রেমৱর্ক) অসিগা মপা চান্ননা মপুং-মরৈ ফানা পুথোক্কনি।

খ) জাতিগী এডল্ট এজুকেশন ট্যুটরগী থৌরম্না শেমগৎপা **মীওই অমমম**দা ওজা অমমম থম্বা চাউরবা টিমগা লোয়নননা, অহলগী মহৈগী ময়ায় লোয়শঙগী শীল্লাংবা মীওই (এডল্ট এজুকেশন সেন্টর মেনেজর)শিংবু অমসুং তাকপী-তম্বীবা মীওই (ইন্সট্রক্তর)শিংবু অহলশিংদা মহৈ পীবা ঙম্নবা পাঙ্গল হাপকনি।

গ) **হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা থোঙথাংশিং অমসুং থৌরমশিং**না শরুক য়ারিবশিং মশক থঙদোক্কবা মরী লৈনবা মীওইশিং থাদদুনা হোৎনগনি; ফূরুপকী চেল্লি-লাংলিবা মীওই (ভোলুন্টিয়র)শিংবু মথৌনা হাপকনি-ফূরুপতুগী ময়েক-চৎপা মীওই থূদিংমক্না অতোপ্পা মীশক অমদা পাবা ঙম্নবা তাকহনবা হায়বসিনা মরুওইবা লাংলৌ (ষ্ট্রেটেজি) অমা ওইগনি। **মীয়াম শীনবা থুংনা থঙহনবা থৌরম** অমা শেমগৎ-শাগৎকনি। **নুপী লাইরিক-ময়েক-চৎপদা** য়াম্না থোয়দোক-হন্দোকপা মীৎয়েং অমা থমগনি।

## ৪. ভারতকী লোলশিং থাক-ৱাংখৎহনবা

**পান্দমঃ** ভারতকী লোলশিংবু লীদুনা থম্বা, চাওখৎহনবা, অমসুং খীং-খীং লাউনা থম্বা ঙম্বা ওইহল্লু।

লমদম খূদিংগী নাৎ অমসুং চৎনবীবু তশেং-তশেংনা মনুং চলহনবা অমসুং লীদুনা থম্বা, অমদি স্কুলশিংদা মহৈরোয় পূম্নমক্না তশেংনা খঙ-উবা হায়বসি, ট্রাইবেল লোলশিং য়াওনা, ভারতকী লোল পূম্নমক্তা চপ-মান্নবা মীৎয়েং থম্লবা মতমদতা ফংবা ঙমগনি। ভারতকী থাঙ্গৈশেংনা ইনাকখুনবা লোলশিং অমসুং খোরিরোল (লিটরেচর)শিং লীদুনা থম্বা হায়বসি তশেংনমক য়াম্না মরুওইবা ফিভমদা লৈ।

ক) লৈবাকসিগী শীনবা থুংবদা লৈরিবা মতীক চাবা ভারতকী লোলশিং অমসুং খোরিরোল থৌরমশিং, ওজাশিং অমসুং ফেকল্টি থনবা, মীৎয়েং চঙলবা খিজিন-হুমজিনবা, অমসুং অরিবা (ক্লাসিকেল) লোলশিং থাক ৱাংখৎহনবা অসিনচিংবা কয়াগী মতেংনা ভারতকী লোলশিং অসিদা লোলদা, খোরিরোলদা, সাইন্টিফিক লোনগৈদা মীৎয়েং থম্বা ঙমহনগনি।

খ) অরিবা (ক্লাসিকেল) লোলশিং অমসুং খোরিরোলগী থাক-ৱাংখৎহন্নবগীদমক লৈরিবা জাতিগী মহৈশঙশিং মপাঙ্গল কনখৎহনগনি। পালি, পর্সিয়ান অমসুং প্রাকৃটকীদমক জাতিগী মহৈশঙ অমসু লিংখৎকনি।

গ) সাইন্স অমসুং শিনশুগী ৱাপু (সাইন্টিফিক এন্দ টেক্নিকেল টর্মিনোলোজি)গীদমক কমিশনগী য়াথং-চেরোল (মেণ্ডেট) অদু, মরুওইনা লৈবাক শীন-থুংবদা মান্ননা শীজিন্নবা লোনগৈ অমা মপুং-মরৈ ফাহন্নবা, ফিজিকেল সাইন্স ওইগনি।

# রাষ্ট্রিয়া শিক্ষা আয়োগ

## ১. মহৈ-শাবান ওন্থোকপাঃ রাষ্ট্রিয়া শিক্ষা আয়োগ

**পান্দমঃ** ভারতকী মহৈ-মশিংগী চৎন-পথাপকী শিল্লম-শিন্থা মথৌ পাংমীন্নবা (সিনর্জিষ্টিক ফঙ্কশনিং), অনৌবা রাষ্ট্রিয়া শিক্ষা আয়োগনা লমজিংবা, ৱাখলদগী থবক ওইনা পাংথোকপা (ইমপ্লিমেন্টেশন), থাক পূন্নমক্তা চপ মান্নবা অমসুং খ্বাইদগী থোইদোক-হেন্দোকপা মশক পীনবা।

থবক পাংথোকপা মতমদা খ্বাইদগী ফনা পাংথোকহনগদৌবা পূক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইবা লূচিংবগী মশক অদু ভারতকী মহৈ চৎন-পথাপ্তা তঙাইফদে।

ক) রাষ্ট্রিয়া শিক্ষা আয়োগ নৎত্রগা জাতিগী মহৈ কমিশন (নেশনেল এজুকেশন কমিশন) অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা লূচিং পুরেল (চেয়র) ওইবা এপেক্স লূপ অমা ওইনা লিংখৎকনি।

খ) মহৈগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা নোংম-নোংমগী হীরমশিংদা হকথেংননা মথৌ পান্নবগী থবক্কা লোয়ননা মথং খনবা লূচিং-পুরেল (ভাইস চেয়রমেন) ওইগনি।

গ) মমিং লৈরবা লাইরিক-হৈবশিং (এজুকেশনিষ্টশিং), থিজিল্লোয়শিং, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগী মীহুৎ, হীরম কয়াদগী মমিং লৈরবা শিনফমলোয়শিং **আয়োগ অসিদা য়াওগনি**। আয়োগকী মীওই পূন্নমক অৱাংবা থাক্তা খঙ-উরবা অমসুং মশাগী হীরমশিংদা মীয়ামদা কান্নবা পীবগী চেজন লৈরবা মীওইশিং ওইগনি, অদুগা চিংননীংঙাই মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রবা অপূনবা অমসুং নীংতম্বগী মগুন চেল্লবা মীওইশিং ওইগনি।

ঘ) **আয়োগতি ভারতকী মনুংদা মহৈগী থুন্দিনফম (কষ্টডিয়ান)** ওইগনি। ঐখোয়গী থুন্নাইগী থেন্নবা মখল-মথেলবু পূক্নীংদা শাগোন্ননা, মসিনা মহৈগী লমদা পূনশিল্লবা জাতিগী মঙলান অমবু পজেং ফিরাল থেত্তুনা মায় পাক্কনি। জাতিগী, ষ্টেটকী, অমসুং মহৈশঙগী থাকশিং শীন-থুংবদা মরী লৈনবা থৌবাংলিব (এক্টর)শিং অমসুং লূচিংবশিংগী মহয় ফংনীংঙাই ওইবা অমসুং মতম অমত্তদা থোক্নীংঙাইগী মশক ওইবা মঙলান অদুবু মঙফাওনহনগনি।

ঙ) আয়োগ অসিনা পূন্না শূমিন্নবা (কোওর্ডিনেশন) অমসুং লংদায়শনবগী মশক (সিনর্জি) অদু পীবা ঙম্নবা **ষ্টেট থূদিংগা য়াম্না নক্কনা থবক তৌমিন্নগনি**। রাজ্য শিক্ষা আয়োগ নৎত্রগা ষ্টেট এজুকেশন কমিশন কৌবা য়াবা মহৈগী এপেক্স ষ্টেট লেভেল বোডিশিং ষ্টেটশিংনা লিংখৎপা য়াই।

# মহৈদা শেল-থুম থাদবা

## ১. মহৈদা শেল-থুম থাদবা

ক) থৌশিল অসিনা মহৈগী শেন্থং থাদবা হেঙ্গৎহল্লি মরমদি, খুনাই পূম্বদা মহৈদা থাদরিবা শেলফমদগী হেন্না ফবা খুনাইদুগী তুংগী ওইবা হীরমশিংদা থাদবা য়াবা শেলফম অমত্তা লৈতে হায়না মসিনা থাজে।

খ) মরম অসিনা, **চহী ১০গী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা মহৈদা মীয়ামগী ওইনা শেল থাদবদা ২০% দা হেঙ্গৎপদু** থৌশিলসিনা মীৎয়েং থম্মী।

গ) শেল-থুমগী তেংবাঙ অসি – তম্না-মচাক (রিসোর্স)শিং, মহৈরোয় তেক্ত-কায়দনা লৈনবগী অমসুং য়াইফনবগী ৱাফমশিং, মচি ওইবা চীঞ্জাক (ন্যুত্রিশন)গী তেংবাঙ, মতীক চানা ওজাশিং থম্বা, শোথরবা অমসুং মীহুৎ চোংথোকপীদ্রবা কাঙলূপশিংগীদমক চপ-মান্নবা অৱাংবা থাক্কী ওজা চাওথৎহনবা অমসুং খোঙথাং খূদিংগী তেংবাঙ পীবা মতৌ, অসিগুম্বা মরুওইবা মচাক (কম্পোনেন্ট)শিং, য়েংলগা পীবা তৌরোই।

ঘ) থৌশিল অসিনা তগৎ-তগৎ তেক্লা লৈবগী মশক (রিজুভিনেশন), মওং চুন্না ফম কাহনবা (এক্টিভ প্রমোশন) অমসুং মহৈগী কাঙলূপ (সেক্তর)তা লন্নাই লৈত-লায়রদা তেংবাঙ পীবগী থবক-থৌরম (প্রাইভেৎ ফিলান্থ্রোপিক এক্তিভিটি)দা মতেং ফংহনবা কয়াসি থৌরাংনা ঙাইরি।

ঙ) মতম অমদা থোকপা চাদিং (এক্সপেন্দিচর)গী মথক্তা, মচাক-মথুম অমসুং রিসোর্সশিংগী মীৎয়েংদা চঙশিন্দুনা, থৌশিল অসিনা মখাগী **মরুওইবা ফোং-ফোং শাবা হীরমশিং** অসি মশক তাকইঃ (i) পীক্লিবা অঙাংগী মহৈ শন্দোকপা অমসুং ফগৎহনবা, (ii) মথোংদগী হৌগৎলকপদা ময়েক অমসুং মশীং চৎপদা (ফাউন্দেশনেল লিটরেসি অমসুং ন্যুমরেসি) শোয়হন্দবা,(iii) স্কুল কমপ্লেক্সশিংগী মতীক-চাবা অমসুং চান্নবা মচাকশিং, (iv) চীঞ্জাক অমসুং মচি (ন্যুত্রিশন) (অয়ুক্কী চরা-ৱানবা অমসুং নুংথিলগী চরা), (v) ওজাগী মহৈ অমসুং ওজাশিংগী লিশাং-শিংনা চথরক্লিবা মশিন চাওথৎপা, (vi) কলেজশিং অমসুং তাইবংমহৈকোলশিং হন্না শেমদোক-শাদোকপা, অমসুং (vii) থিজিন-হুমজিনবা।

চ) থবক–থৌরম পান্নবা (গভর্ন্যান্স) অমসুং শীল্লাংবনা - মশা-নানবা, মতম চানা অমসুং চূননা লাকপা শেলফম (ফণ্ড)শিং, অমদি মথোয়বু মরম চুন্না শীজিন্নবা মতৌদা মীৎয়েং থমগনি। হায়রিবা ৱাফমসি মশানা লৌরিবা থৌদাংবু তশেংনা থায়দোকপা, মহৈশঙশিংদা মপাঙ্গল অমসুং মরোমদোম লেপচনবা মতীক (ওটোনোমি) পীশিনবা, লূচিংবগী থৌদাংশিং থনবীবা, অমসুং য়েংশিনবীদবশিংবু উথোকপা খোঙথাং কয়াগী পাম্বৈনা ঙমহনগনি।

ছ) **মহৈবু শেন্দান-লম্বীদা ওন্থোকপ (কমর্সিয়েলাইজেশন)**গী ৱাফম অসি, 'লাইট বট টাইট' চৎনবী ইনবা খোঙথাং (রিগুলেটরি অপ্রোচ) য়াওনা, মখল-মথেলগী তোঙান-তোঙানবা মরী লৈনবা মায়কৈশিংদগী ফংবা মতেংগী থৌশিলনা, মীয়ামগী মহৈ-মশিংদা থাদরকপা য়াম্লবা শেনফম্না, অমসুং মীয়াম্না ইখঙ-খঙনবা অফোংবা মশক কয়া য়াওনা, অফবা থবক-থৌরম পান্নব(গভর্নান্স)গী নৈন-কাঙলম (মেকানিজম)শিংনা মরীক চূন্না নৈনখ্রে।

## ২. মাঙলোমদা চঙশিনবা

মতমগী থোঙলৈ তুংইন্না অমসুং অমুক হন্না য়েংশিন্নবগী থৌরাংগা লোয়ননা, মহৈগী মরীদা চেন্নবা লূপ থূদিংমক্তা থৌরাং তৌবা মতমদা অমসুং লংদায়শনবগী মশক (সিনর্জি) শেম্বদা, মথং-মনাও নাইনা লেংশিনব (কোহিরন্ট)গী থৌওংনা, মশাগী ওইফম থোকপা অদুমক্কী য়াকা ইন্দুনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবা, থৌশিল অসিনা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা লমজিংবা মরুওইবা শিল্লম-শিন্থাশিংবু পরিং-নাইনা য়াথোক্লি।

*মীওই- মপোক্কী চক খূদিংদা, লৌশিংনা*
*হৌখ্র- মীরোলনা শেম্বীরম্বে অপূন- শক্তম মতাক্লি, অদুগা*
*ঙসিগী মীরোলনা হাপচিঞ্জরি মশাগী অফং- মশরুক।*

*মচীন শন্নরিবা মোবিয়স ষ্ট্রিপকী ইতিল্লিবা মমায় ’ মনা লোইনাইদ্রবা,*
*শারেপ- ফাগৎ লক্লিবা, ইহিং- হিংলিবা লৌশিংগী মচৎ পু মীতম লাক্লি-*
*অহৌবসু নাইদবা অদুগা অরোইবসু নাইদবা থৌরাংসিননে*

*লিশাং- শিৎনা চথরক্লিবা তাঙ্কক অমই মশক তম লৌশিংবু শেমগৎ পা,*
*থাদোকচবা, শীজিন্নবা অমদি শন্দোকচবা পূন্নমকসি লাকশিঞ্জরি।*

